গজাধর বাবুনা মচানুপীবু নুংশিনা থেমজিল্লি - "অয়ুক্তা পাউনে ইবেন্মা নঙবো। নমাসি অহল ওইরবান, মপাঙ্গলসু হান্নগুম কন্দ্রে। নঙসু ননম্মসু লৈরি, নখোয় অনী চঙলগা মতেঙ পাংবিগদবনিকো।" বসন্তীদু তুমিন্না লৈরম্মী। মহাক চৎখ্রবা মতুংদা মমানা তপ্পা হায়রকই - "লাইরিক পাবদা নামা থোংবগী ব্রানি। পুক্লিংদি চঙপোৎ নত্তে। করম্নবু পুক্লিং চঙগনি ? শীলাখোয়গা ঙাইহাক্তা থানদে, পাখঙ মচা ময়াম য়ুমদুদা লৈ, মতম চুপ্পদা মফমদুদা লৈবদু ঐদ পামজদবনি। হায়রুরবসু মনাদা হাপ্তে।"

ব্রেকফাস্ত চারগা গজাধর বাবু মাগী ফম্ফম কাদা চৎখ্রে। য়ুমদু পীকপনা গজাধর বাবু লৈনবা কা অমত্তা লেমদ্রে। কনাগুম্বা অতিথি অমা লাকপদা মতম খরগী থৌবাঙ তৌবগুম মী ফম্ফম কাদুগী চৌক্রিশিংদু ফক্লাংলোমদা নপশীল্লগা গজাধর বাবুগী কাংথোল মচাদু থাবম্মী। গজাধর বাবু কাদুদা অসুম লৈরগা মাগী চপচাবা মফম লৈতবদুদা ব্রাখল তৌরকই। মহাকসে লাক্লগা ঙাইহাক্তং খান্নম্বা অদুগা অতোপ্পা মফমদা অমুক চৎখিবা রেলগাড়ীশিংদুগুম্বনি হায়নসু খল্লকই।

য়ুমদু পীকপনা মী ফম্ফম কাদুদা হৌজিক্তি মাগীদমক লৈননবা থৌবাঙ তৌরে। মাগী নুপীগী কা অমদি মনুংদা লৈবিবানি, অদুবু নাকল অমদা চিনাগী লৈথাক্লা শাবা অচারগী পাত্র, হব্রাই অমদি চেঙ হাপ্পা তিন উপু মচা অমদি ঘীগী কৌতাশিংদুনা পীক থল্লি, মদুগী মনাক্তা অচৌবা তিনগী উপু অমদা ইমুংদগী অথাবা ফি-রোলশিংসু লৈ। মরক্তনা থৌরি অমসু তিংঙি মদুদা মহৌশানা বসন্তীগী মফি-মরোলশিংদু কয়া চেকশীন্দনা য়ান্দুনা লৈবি। গজাধর বাবু কাদুদা পংচঙ চঙলুদে।

য়ুমদুগী অনীশুবা কাদনা অমরগা মমৌনুপীদুগা লৈ। অহুমশুবা কাদুনা মমাঙদা লৈরিবা মী ফম্ফম কাদুনি। গজাধর বাবু লাক্ত্রিঙৈদা অমরগী নুপী মপামদগী উল্লকপা লীগী চৌক্রি অহুমগী সেত অমা লৈ, চৌক্রিশিংদুগী মথক্তা হীগোক মচুগী স্পোন্স থাবি অদুগা মমৌনুপীনা লোনবা ফিদাদুনা কুপ্লি।

মাগী নুপীদুনা মঙোন্দা বাকৎকে হায়ববদি মাগী ফক্তু মী ফম্ফম কাদুদা হেক হেক থাই । নোংমৈদ মহাক ফক পুবগা লাকই । গজাধব বাবুনা ইমুং মনুংগী বাফম হৌদোবকই, মহাক যুমগী হৌন লোনচৎ মযামদ্ যেংদুনা লৌবিবনি । মহাক্না শোন্থাংননা হায়বকই "হৌজিক্তি শেন্থোকসু ঙাংলে, খবচ খবা হন্থহনবদি ফৈ ।"

"তৌবিবা খবচশিংসে তঙাইফদবা ঙাক্তনি । কদায়দা খবচ হন্থহল্লুদোইনো ? অসুম্না হিসাব পাথোক-পাশিন তৌবসিদা হনুববনি ঐসে, পুক্লিংনা পামজবা অমত্তসু শেংপা চাবা ফংজদ্রবনি ।"

গজাধব বাবু মখোয় শোক্না অমাদ ঙক্না মাগী নুপীদা যেঙলকই । মাগী নুপীদু মাগী হৈনবীদু থাদোক্ত্রি । নুপীনা বাবগী মওংদু যোঙদোকপদ হৌনশান অদুবু মঙোন্দা মিনুংশিগী বাখল চেন্দবদুদি গজাধব বাবুদু হৈনবমদে । মঙোন্দা কবি তৌসিগে হায়না তানববদি অবাবদ্ লৈবক্লোই অমদি থোইনা হেন্না পেল্লমগদবনি । অদুবু মহাক্তি বাকৎপগা হবক ঙাক্তনি, ইমুং মনুংদা অৱাবা মাযোক্লবিবা মযামদগী মবম মতাক্না দায়ত্ব লৌফম থোকপগুম খল্লি ।

"নঙগী কবি বাৎলিবগে অমবগী মমা যুমদা নমৌসু লৈবে, নচা নুপা নুপী মযাম লৈবে, শেন খঙ্ং পায়বগা মীওইবসে নুংঙাই যাইফবা কৌদে ।" গজাদব বাবুনা হায়বকই অদুগা হেক হায়বগা খঙবসু ঙম্লে । মাগী থম্মোয়নুংগী বাফমদু ফোঙদোকপনি অদুবু মাগী নুপীদি মদু খঙবা ঙম্লমদে । "হোয় হোয়, যাম্না নুংঙাইবে ইমৌ লৈবদগী । ঙসিদি চাক থোংবা চঙখ্রি, যেংঙু কবি থোক্লবগে হায়বদু ?" মসি হায়বগা মাগী নুপীদু মমীৎ উইশিনখি অদুগা তুমথখ্রে । গজাধব বাবুদু ফম্লগা মাগী নুপীদা যেংদুনা লৈ । মাগী থোৎনৌববা খুৎশাদুনা শোকখিবা অমদি মোমোন মীনোক্তবু নীংশিংদুনা পুন্সি চুপ্পা লেনখিবা মসিবনে মাগী হান্নগী নুপীদুবু ? মাগী মশক মতৌ চঙখোল্লবা নহা ওইবিঙৈগী মতমদদি পুন্সি লম্নী চৎন চৎনা লোইখ্রে অদুগা মদুগী মহুৎতা ঙসিদি মাগী পুক্লিংনা অমদি থবায়না থোইনা খোয়দাদবা নুপীগী শক্তমদু ওইবে । কম্না তমখ্ন তাল্লিব মাগী নুপীগী চাউশাংলবা হকচাংদ্ কাহেন্না নোয়বা

অমদি শকফম কাযবগুম খল্লি, মাযথোঙদুসু লক্ষ্মী চেন্দবগুম ইমক মকশীল্লি। গজাধব বাবুদু ফনা কুইনা মাগী নুপীদা কযা হৈনীংদনা যেংদুনা লৈ অদুগা হীপথবগা যুমথকলোমদা যেংখৎলকই।

ইমুংদা কবিনোমা তাবম্মী অদুগা মাগী নুপীদু মুকম-মুকম শোল্লদুনা হৌগৎতুনা ফম্মী, "হৌদোঙনা কবিনোমা ঈল্লুবমাল্লে" মসি হাযবগা মনুংদা চেনশিনখ্রে। ঙাইহাক লৈবগা হল্লকপা মতমদদি শাউনীংবনা মমাযদু ঙাঙশং ঙাঙলম্মী "উবেদনা নমৌগে, চাকশঙদা হাংদোক্কুনা থনম্মে, হৌদোঙনা হবাই গোংবা হাপ্পা পাগ্রদু ঈল্লুবল্লে। মথামসি চাদবা যাপোৎ নত্তে, হৌজিক কাব চাগদৌরব"। মহাক্না নুংশা মপী হোল্লগা অমুকস্তু হাযরকই "ইনশা' অং খক গোংবা অদুগা পনখ্রা মবিখক হৌবগদা কৌতাদা যাওবা ঘাদু লোইনা হৌজনখ্রে। কবিমগী চিন্তা লৈতে, শেল তানগদবা মানা খুৎ থাবে, সোমদনা লোইনা মাঙ তাকহল্লে। অসুক যাম্না থবক মযামসে কনাগীসু মতীক নত্তে হাযবাস ঐদি হান্না খঙলবনি।

মাগী নুপীদু অসুম ঙাঙদুনা লৈবনি হাযনা গজাধব বাবুনা খল্লকই অদুগা সুম ঙাঙদুনা লৈববদি মহাক নাকোং শাংজা যৈগদৌবি। মখযাৎ চীক্কুনা যাওল্লগা মহাক মাগী নুপীবোমদা মতুং ওনশীল্লকই।

নুমিদাংগী চাক্লেন্দু বসন্তীনা তৌগে হাযবা অমা যাওনা চখোম অমা ফাওবা যোৎশীনবা যাদনবা থোংলে। গজাধব বাবুদি তুমিন্না চাবগা থোকখ্রে অদুবু নবেন্দ্রদি পুখমদু ঈথোকলগা হৌগৎলে অদুগা হাযবকই "অসিগুম্বা চাকসিবু কনানা চাবা হৌনবগে?"

বসন্তীনা শাউনা খুল্লকই "অদুদি চাকনু, নঙোন্দা কনানা থেম্বগে।"

"নঙবু কনানা চাক থোংঙু হাযবগে?" নবেন্দ্রনা লাউবকই।

"পাবুংনা।"

"পাবুংদা ফমদুনা অসিগুম্বসিদা থিদুনা লৈববনি।"

বসন্তীবু হৌগৎহল্লগা মমানা নবেন্দ্রবু থেমজিল্লে অদুগা মখুৎমক্না কবিনো খবা থোংলগা পাঁজবে । গজাধব বাবুনা কোন্না মাগী নুপীদা হাযনকই "লৈশাবী মপুং ফাববা ফাওবদা চাক থোংবা হৈতে ।"

"হো লোইনা হৈবিপোৎনি, শুনীংদদনা তৌবিব্নি ।" মাগী নুপীনা পাউখুম পীবকই । মথংগী নমিৎকী নুমিদাংবাইবমদা মমানা চাকশংদা লৈবদু উবগা বসন্তীদু মথি হোংলগা মপান্দা থোবক্পদা মী ফম্ফম কাদগী গজাধব বাবুনা খান্নগা হায়বকই "কদায চৎতেইনো ?"

"গ্রমলোয়নবসিদনি, শাজাগী ময়ুমদনি ।" বসন্তীনা খুমল্লকই ।

"দবকাব লৈতে, ইমুংদা চৎলগা লাইবিক পাকচো ।" গজাধব বাবু খোল কল্লপ তৌনা হাযবকই । ডাইহাক্তং তৌফম খঙদনা লেপতুনা লৈ নল্লগা বসন্তীদু হমুংদা চঙখ্রে । গজাধব বাবু নুমিদাংবাইবমদা নুংাতগী কোযনা চৎলে, ইল্লকপা মতমদা মাগী নুপানা হাযবকই - "বসন্তীদা কবি হাযববগে । নুমিদাংবাইদগী মচান শুক্তোক্তুনা লৈবে, চাক্না অমত্তা চাও যাদে ।"

গজাধব বাবুদু শাউবে । মাগী নুপীগী বাদুদা মহাক পাউখুম অমত্তা পীবমদে । মগাক্না বসন্তীসি যাম্না থুনা লুহোংববগে হাযনা মপুক্লংদা খল্লকই । নুমিৎ কুম্দগী হৈনা বসন্তী মপাবুংদগী থাপ্না নাথৈদুনা লৈখ্রে । মপান্দা চৎপা তাব্বসু মনীংখোঙলোমদগা খোক্লে । গজাধব বাবুনা অমুক অনীবক মাগী নুপীদা হংবদা বসন্তীদু শাউবি হাযনা খুম্মকই । গজাধব বাবুদু হেন্না শাউনীংলকই । নুপীমচাসি যাম্না নাপল তৌবেদা, চৎকনু হাযনা খাম্বদা মপাদা ফাওবা বা ভাঙদ্রবা । মতুংদা অমুক মাগী নুপীনা অমবদু তোঙান চাবগে হাযবে হাযনা পাউ তম্মকই ।

"কবিগী ?" গজাধব বাবুং চক্লদুনা হংলকই । মাগা নুপানা তশেং তশেংনা পাউখুম পীবমদে । অমব অমদি মমৌনুপীগা ব্রাকৎ কযামকম লৈ । গজাধব বাবুদু অযাম্না মতমদা মী ফম্ফম কাদুদা লৈশিল্লি হাযনা মখোযনা হায়বি, কনা গুম্না মাংলাক্লবাদ ফমতল্লবা মফম লৈতে । অমববু হৌজিকসু মানা অভাং মচাগুম্না খল্লি, অদুগা মতাং চায চাদে

খঙদনা হেক্তা চৈ থার্গঙ। মমৌনুপীনা খবকশিংদু লোইনা তৌই অদুগা মনেমথোক্না ঙাঙনীংলগা পঙাঙদা ঙাঙখি হায়বসিনি।

"এ লাক্লিঙৈদদি অসুম্মাইনা তৌবম্লবা ?" গজাধব বাবুনা হংখি। মাগী নুপীনা মঙক হাইবগা তৌদে হায়না খুম্মী। অহানবদদি অমবনা যুমগী মপু হায়বদু ওইবম্মী মমৌদদি কনানসু ঙাঙবিবমদে, অমবগী মকপ মপাঙশিং অগাম্বা মতমদা যুমদুদা পুন্দুনা লৈ, অদুগা ইমুংদগী চা অমদি ব্রেকফাস্তনচিংবা শেম শাবগা পুখোক্লুনতা লৈ। বসন্তীসু মদুদা পুক্লিং লুপচে।

গজাধব বাবুনা তপ্না হায়বকই "অমবদা তহা-তহা তৌবগী দনকাব লৈতে হায়যু।"

মথংগী নুমিৎতা মাগী কোযথোক্লবগা হল্লকপদা মী ফম্ফম কাদুদা মাগী ফমুংদু লৈবমদ্রে। ইমুংদা চঙলগা হংগে হায়না খল্লি, মতাঙদুদা মাগী নুপীদু চাকশঙদা ফমদুনা লৈবদু উবকই। মহাক্না মমৌনুপীদু কদাযদ' লৈবগে হংগে হায়দুনা মচান কাথোক্লবগা কবিগুম্বা খবা খল্লকপদগী তুমিন্না অদুম লৈখ্রে। মাগী নুপাগী কাদা যেংলুবদা অচাব, কান্থা অমদি তিন উপু মযাম মবক্তুদা মাগী ফমুংদু থাবম্মী। গজাধব বাবুনা মাগী কোটতু লৌথোক্লে অদুগা কদাযদা যার্নাসিগে হায়না ফক্লাংদা কোযযেং যেংলকই। অদুদগী মমাথ লৈখোক্লগা থৌবীদা যাল্লিবা ফি খবদু নাকল অমদা তাশীল্লি অদুগা যাল্লি। কবিমত্তা চাদনা মাগী ফমুংদুদা হীপখ্রে। অমবোমদদি মাগী হকচাংদু অহল ওইবকপগী শোল্লবনি। অযুক অমদি নুমিদাংৱাইদা খবা লাপ্না কোযথোকপা চৎলুববদি হল্লকপা মতমদা হেক্তা চোকথবিবনি। গজাধব বাবুনা মাগী হান্নগী ইহাঙ হাঙলবা ক্বার্তবদু নীংশীংলকই। যাম্না নে-না তাববা পুন্সি মবেলনি। অযুক্তা পেসেঞ্জর পুবা ত্রেন লাকপা মতমদা স্তেসন্দা ইবাঙ লাঙবা মতম কুইনদগী খঙনববা মকপ মপাঙশিং অমদি তালীদা বেলগী চৌগী কাংখোঙদুনা ক্রোক কাক, ক্রোক কাক লাউবা মখোলদু নংশনবা ঈশৈ সুবগুম্লম্মী।

নুংশিৎনা লিরি শীৎলকপা অমদি দাক পুবা গাড়ীগা ইঞ্জিন-মখোলদুনা অচীকপা অহীংগী নাইতোম তারবা পুন্সিদা মাগী মরুপ ওইখিবনি। শেঞ্জাও পায়বা রামজীমলগী মিলগী মীওই খরনা করিগুম্বদা মনাক্তা লাক্লগা ফম্মরে, মফমদুদা মাগী কোয়ফমনি, মখোয়শিংদুনা মাগী মরুপ-মপাঙশিংনি। অদুগুম্বা নুংঙাইরবা পুন্সিদু মাঙখ্রবা মমল য়াম্লবা মণিগুম্না খল্লকই। মাগী পুন্সিদু কনাগুম্বনা নমথাক-লৌনম তৌবিখ্রবগুম খল্লক্লে। মহাক্না পামজবদু খজিক্তা ফাওবা ফংবা ঙমদ্রে।

মহাক হীপ্না-হীপ্না ইমুংদা ঙাঙনরিবা খোঞ্জেলদু তাদুনা লৈরি। মনি-মমৌ অনীগী মরক্তা খজিক-খজিক ঙংনবা, বালতিন অমদি তোতি ঈশিং থাদোকপগী মখোল, অদুগী মরক্তুদা শেন্দ্রাং অনী চিক্লবগী মখোলসু তারকই। অদুদগী মহাক খঙহৌদনা য়ুমদুদা করিমত্তা অয়েৎপা পীররোই হায়না চপয়ুংনা লেপখ্রে। য়ুমগী য়ুম্বুরেল অমগী ফমুংবু মফমসিদা থাবা তারবদি ফরে অদু মঙায়রে মসিদা সুম লেঙদনা লৈরগে, অদুগা অতোপ্পা মফম অমদা থারবসু বেরা লৈত্রে, ইশামক্কী য়ুমসিদবু লম্লানবা মীগুম লৈবা তারবকো... অদুগা নুমিৎতুদগী হৌনা গজাধর বাবুদু ব্রা অমত্তা ঙাঙখিদ্রে। নরেন্দ্রনা পৈশা পীয়ু হায়রবসু মরম হংদনা হেক্তা পীরে... বসন্তীনা পুম্মম মল্লবা ফাওবদা য়ুমলোন্নবদা লৈবদা মহাক্না করিমত্তা ঙাঙলমদে - অদুবু মানা খ্বাইদগী নুংঙাইতবদি মাগী নুপীনসু মচাশিংদু শেমদোক্লবা হোৎনদবদুনি। মহাক মথ্বায় নুংঙাইতনা ব্রানা খাঙলি হায়বদু কনানসু খঙবিদগুম তৌই। অমরোমদা মাগী নুপীদুদি মপুরোইবনা ইমুংগী থবক ইনখাঙদা খুৎ থিংজিল্লক্তবদুদা থোইনদুম শান্তি ফংলে। করিগুম্বদসু মানা হায়রকপা য়াওই - "ফরেদা, মোয় পাবুংসু ঙাঙবিরুরনু, অঙাংশিংসি চাউরবনি, ঐখোয়গী তৌফম থোকপদু ঐখোয়সু তৌরি। মহে-মশিং তমহল্লি লুহোংবিরগা লোইরেদনা।"

গজাধর বাবুদু খানা মাগী নুপীদা য়েংলকই। নুপী অমদি মচাশিংনা মহাকসে শুপ্নতগী শেল তান্নবখক্তগীনি হায়না খল্লে। মপুরোইবদু লৈবদগী মাগী নুপীদুনা মরায়বক্তা সিন্দুর নম্বগী অধিকারদু

ফংলিবনি, সমাজদা ইজ্জৎ লৈনা হিংবা ঙম্লিবনি, অদুগুম্বা মপুরোইবদুগী মমাঙদা অয়ুক অমদি নুমিদাংদা চরা অনীখক্কী পুখমদু থম্লুবনা মাগী মথৌদাং লোইরে হায়না খনখ্রে। মহাক্তি ঘী অমদি চিনিগী কৌতাশিংদুদা পুক্লিং লুপ্তুনা লৈখ্রে, মদুনা মাগী নুংঙাইরবা সংসার হায়বদু ওইখ্রে। করিগুম্বা হীরম অমত্তদা খুৎ থিংজিন্দ্রবসু মাগী ফীভমদুদা মখোয় ময়াম মরক্তুদা য়াওবা ফংদ্রে। য়ুমদুদা মানা লৈবদু মখোয় কয়া পামদ্রে। মদুগী প্রমাণ হায়ববু মী ফম্ফম কাদুদা মাগী ফমুং থারম্বদুনি। মাগী হরাও-তয়াম্বা পুন্সিদো নীংবা কায়বগী ইরৈদা লুপশিনখ্রে।

অসুক কন্না ঙাঙলরোই হায়না লেপখ্রবসু নোংমদি গজাধর বাবুদু য়ানীংদবা ফোঙদোক্লম্মী। মাগী নুপীদি মহৌশাগী হৈনবীদা মীনায়দুগী মরমদা ব্রাকৎতুনা হায়রকই -- "থবক য়াম্না লৈথোক্লল্লি, বাজারদা পোৎ-চৈ লৈবদসু পৈশা খপ্পি, চাবা হৌরগসু পঙচাদা চায়।" গজাধর বাবুনা মাগী ময়ুমগী য়ুম্লে-কৈরৈ অমদি তৌরিবা খরচক্তু মাগী শেম্ঘোক্তগী হেল্লি হায়না মতম অয়াম্বদা থম্মোয়দা ফাওনকই। মাগী নুপীগী ব্রাঙাঙদু তারুবগা মীনায় থমদুনা শেল তিংঙনবদু অরেম্বনি খল্লকই। থবকসু মচা-মশু ঙাক্তুনি, য়ুমদুদা নুপা মহুম নৈয়িবনি কনানো অমনা চেক্তা তৌবা যাই। মহাক্লা নুমিৎতুদা মীনায়দুগী হিসাব শেংদোক্তুনা পীখ্রে। অমর ওফিসতগী হল্লক্লগা মীনায়দুবু কৌরকই! অমবগী নুপীনা হায়রকই - "পাবুংনা মীনায়দু থাদোকখ্রবনি।"

"করিগী?"

"শেল য়াম্না তিংঙি হায়য়ে।"

ইচম চম্মদি বারী শানবনি হায়ববু মমৌনা ঙাঙলবা খোন্দাদু তাবদা গজাধর বাবুদু নুংঙাইরমদে। নুমিৎতু মথ্বায নুংঙাইমন্দবদগী গজাধর বাবুদু কোয়বা চৎলমদে। তনবদগী তৌগৎতুনা মৈ ফাওবা থাল্লমদে। মপাবুং লৈ হায়বদু খঙদবদগী নরেন্দ্রনা মমাদা হায়রকই "ইমা, নঙবু পাবুংদা করিগী হাযদ্রিবনো?" করিম ঙা তৌদনা সুম ফমদুনা লৈরগা মীনায়সু থাদোকখ্রে। পাবুংনা ঐবু সাইকলদা গেন্থু পুরগা য়াম

তকহনবা পাম্লিবদো ঐদি ঙম্মোই।" "চুম্মী, ইমা" বসন্তীগী খোঞ্জেলনি। "ঐনা কলেজসু চৎপা, হল্লক্লগা ব্রাইরম শীৎপা, মদুগী থবক্তু ঐদি ঙম্লোই হায়রিসিনি।"

"অহলসু ফনা মওইরবনি। অমরনা মুরুম-মুরুম শোল্লকই, তুমিন্না সুম পঙলৈ মরৈয়ু। হীরম খুদিংদা অয়েৎপা পীরিবসি করিগীনো খঙদে।" মাগী নুপীদুনা করেম্নরদুনা মচানুপাদা হায়রকই - "উপায় লৈমন্দবদগী নঙগী নুপীদু চাকখুমদা চঙহনখিবনি। মহাক্না চঙখিবদগীদি নুমিৎ ১৫ নি চৎকদবা চেঙ চাক ময়ামদো নুমিৎ ৫ নিদা লোইশিনখ্রে।" মমৌনুপীনা করিমত্তা খুল্লক্ত্রিঙৈদা মহাক চাকখুমদা চঙখ্রে। ঙাইহাক লৈরগা মাগী কাদা লাকই অদুগা ইলেক্ট্রিক থাল্লুবদদি গজাধর বাবুদু হীপুনা লৈরম্বদুদা চিংনবা পোল্লকই। গজাধর বাবুগী মায়থোঙদু উরগা মাগী পুক্লিংদুদি খঙবা ঙম্লমদে। গজাধর বাবুদু তুমিন্না মমীৎ উইশিল্লগা হীপুনা অদুমক লৈরম্মী।

গজাধর বাবু চিঠি অমা মখুৎনা পাযরদুনা ইমুংদা চঙলকই অদুগা মাগী নপীব কৌবকই। মাগী নুপীদু মখুৎ ইচোৎ চোৎলদুনা খোরকই অদুগা ফিঙ্গীনা তৈংথোল্লগা মনাক্তা লেপ্লি। গজাধর বাবুনা ব্রাহৌদোক অমত্তা যাওদনা হাযরকই -- "ঐহাক মহাজন বামজামলগী চিনিগী ফেক্টরীদা থবক এমা ফংলে। অরেম্বদা সুম ফমদুনা লৈবরুদি লুপা মঙা তরানা ওইবগসু খুমদা লাল্লবাদ কান্নগনি। মহাক্তি হান্ননা হাযরবনি, ঐনতা য়াখিদবাদ।" অদুনগী ঙাইহাক লৈবগা মুৎখ্রবা মৈদা খঙহৌদনা মৈরা অমা ফাওরকপঙুম মহাক্না তপ্না হায়রকই "ঐদি চহী কয়া নখোয়গা পুন্না লৈমিন্নরুদ্রবগী মতুংসিদা অমুক তাঞ্জা ফংদুনা ইমুং-মনুং পুন্না লৈমিন্নবা ফংলগনি হায়না খল্লম্লনি। ফরে, হংচিৎ চৎকদবনি। নঙসু চৎসিদনা ?" "ঐবু ?" মাগী নুপীদুনা ঙকচাননা খুল্লকই, "ঐনা চৎথোক্লবদি সিদদি করি ওইদৌরি ? চাউরবা ইমুংগী ভার, অদুগা ইঙাও ঙাওবী নুপীমচা অমসু... ।"

বাদু মরক থৎলগা গজাধব বাবু নীংবা কায়না হাযরকই, "য়াবে, য়াবে, নঙ সিদা লৈহৌবো। ঐদি চুম্না সুম হাযবানদা।" অদুগা মহাক ব্রাখল অমদা লুপ্পুনা লৈখ্রে।

নরেন্দ্রনা য়াম্না থুনা বেদিংদু পুনশিল্লে অদুগা রিক্সা অমা কৌরুরে। গজাধর বাবুগী তিন উপুগা বেদিং মচাদুগা রিক্সাদা থাংগৎলে। ব্রেকফাস্তকীদমক্তা লদ্দু অমদি তল হাপ্পা বাক্কেত মচাদু মখুৎনা পায়রদুনা গজাধর বাবু রিক্সাদা তোংখৎখ্রে। মহাক্কা মাগী ইমুংগী মীওইশিংদুদা অমুক্তং য়েংলকই। অদুগা অতোপ্পা মায়কৈরোমদা অমুক য়েংলকই অমদি রিক্সাদু থৌবা হৌখ্রে। মহাক চৎখ্রবা তুংগা মখোয় ময়ামদু হঞ্জিল্লক্লে, মৌদুনা অমরদা হায়রকই - "সিনেমা য়েংবা পুবিগদোই নৎত্রা ?"

বসন্তীসু চোংলদুনা হায়রকই - "তামো, ঐসু পুবিয়ু।"

গজাধর বাবুগী নুপীদু চুমদ্রিং চাকশঙদা চঙখ্রে। লেমহৌবা তলশিংদু মখুম য়াওবা পাত্র অমদা হাপচীল্লগা মাগী কাদা পুরক্লে অদুগা তিন উপু মচাশিংদুগী মনাক্তা থম্মী, অদুগা অমুক মপান্দা থোরক্লগা হায়রকই - "হো নরেন্দ্র, নখোয় পাবুংগী কাংথোলদু ঐগী কাদগী খরা থাংদোকউ। মদুদা চৎফমকা অমত্তা লৈত্রবনি।"

* * * * *

পোষ্টমেন
(পোষ্টমেন)

চিঠিখা ওগী মথ ওা লৈফমদু অসুম্না ইরি -

থোইদোক্লা ইকায় খুম্নবদা মতিক চারবা
শ্রীমান ঠাকুর জসৌতসিংহ নেগী
খুঙ্গংগী প্রধান - কমস্যারী খুঙ্গং
শুমাং চাওনা লৈবা য়ুম
খুমানী পাম্বীগী মনাক
লৈফম মথ ওা ইজখ্রে, পোষ্ট বেনীনাগ,
চিঠিসি ঠাকুর জসৌতসিংহ নেগীদা
য়াম্না থুনা ফংহনবীয়ু অদুগা -
চিঠি থারিবনা মচানুপা রতনসিংহ নেগী । .
মফম মিলিটরী ক্বার্টরস,
দেহরাদুন । পোষ্ট জিলা চপ মান্নরে ।
বতালিয়ন নম্বর কে:বি:-২ থিরি-থিরি-নাইন
সিপোয় নম্বব ....
লৈফম ইদবা অহাংবদুদি শুপ্নতগী শাংলবা অঙৌবা
চিঠিখাওদুদা মফম খরদা নপলিবা টিকেৎশিংদুতা ঙাইরে ।

পোষ্টমেন দয়ারাম্না নোক্লগা লৈফম ময়াম ইরিবদু প্রধানদা পাদুনা তাহল্লি, মদুদা জসৌতসিংহ চাওথোকচবগা লোয়ননা হায়রকই - "মহৈ-মশিং তম্বীরুবগী মসিনি কান্নবা ফংজরিবসি । নমদুনা ঐনা ইচানুপাদুবু প্রাইমরী ফাওবদি তমহনখিবনি । ইবুংঙো রতনগী মমানদি খুবী নম্লগা থবক চৎনবা য়ারবদি করিগী মতম অমদি পৈশা মাঙহল্লুগদগে হায়খিবনি । মনীওদরদা খুবী নম্লবসু নত্তুগা সহি তৌরবসু শেলদি চপ মান্নবা ফংই । অদুবু ঐনদি, ময়েক খরদং ওইরসু পাবা ঙম্লবদি ফগনি খল্লি । ব্রহ্মানা বিদ্যা শেম্বীরম্লিবসিবু করিগীদমক্তনো... ?"

চিঠিদু মখুৎনা পায়দুনা প্ৰধান্না কৌরকই - "হো ইমৌ ইবেম্মা! পোষ্টমেন সাহপকী দরীদু থাওনে। চা-নুং, হিদাক্কা শেম্মকউ।" অদুগা দয়ারামদা মমায় লৈশিল্লগা হায়রকই - "চিঠিসে অমুক্তা পাবীরকউ। ইবুংঙো রতনদু লৈরবদি করি হায়রিবনো মানা পাগদবনি, সাহপ, নুপামচাদু করি হায়নি লাইরিক তম্বদদি মথ্বায় ওম্বোক্লা য়াওখ্রে। লাইরিক খুদিংমক চিনফা লোয়না পুই। ওঝা মোতিরামগা ঐগা য়েংথিনখিবনি অদুনা ক্লাস ফোর খক্তং তম্লবকান্দা মাবু তাম্বোকপিখিবনি। করি করি য়াইফ মঙ্গল ইরকপগে সাহপ ?"

দয়ারাম্না দরীদা ফম্লদুনা চিঠি থাওদু হাংদোক্লগা পাবা হৌরকই - "থোইদোক- হেন্দোক্লা ইকায় খুম্নজরিবা পাবুংগী চরন শোক্লা খুরুমজরি, নচানা খুরুমজরিসি লৌবীয়ু। অসুম্না ইকায় খুম্নজরিবী ইমাগী চরন্দা হন্না-হন্না খুরুমজরিবসি লৌবীয়ু। অদুগা খুড়া ইবুংঙো জমনসিংহ জ্যা অমদি ইথৌ খড়কসিংহবুসু হন্না হন্না খুরুমজরি। ইমাসু ইপুবোক ইকোক্তা খুৎনা নাম্বীদুনা য়াইফ-মঙ্গল পীবীনবা হায়বীয়ু।

পটৱারী (খাজনা খোমজিনবা মী) সাহপতসু খুৎ অনি লোম্নজরগা 'জয় হিন্দ' হায়রকই তম্বীয়ু। লৌউ-শিংউবগী, খুঙ্গংগী ঈ-পাও, অৱা-নুংঙাই খঙহনবীরকউ। পোষ্টমেন সাহপ খিমান্দ ত্যাবিদসু খুরুমজরকই হায়না তম্বীয়ু অদুগা য়াম্না থুনা চিঠি থাওদা লৈফম ইরিবদুদা চিঠিসি হেক ফংবগা ঐগী ইমিংদা রতনসিংহ নেগী হায়না ইরগা থাবীরকউ। শোয়বীগনু। নচাদা পাবুংগী খুয়াগী উফুলদু ফংহনবীয়ু। রতনসিংহ নেগী থিরি থিরি নাইন, বাফম অমগা নিংশিংলক্লে। ইনাও নুপা আনন্দসিংহদা ইখুৎমক্লা য়াইফ-মঙ্গল পীজরিবসি য়ৌহনবীয়ু মাগী নুংহোংনবা থৌরাং তৌবীয়ু। জাতি পান্থিগী খেন্নবা ৱাখলদু কার কান্নানি। ঈশ্বরগী লীলাদি অঙকপনি। ঠাকুর চেতসিংহগী মচানুপীদুগা ৱা লেপ্লবীরো। মশক মতৌ ফজবা, মবুক-মপাও ফৱা য়েংবীয়ু। অতৈদি কার অমুক ইরুগান, পাবুংনা হেন্না খঙবীরীবদুনি। ইকুবোক চরনসিংহ সৌরজ্জদা মচানুপীদ ঐনা য়ুমদা লাক্লগা মপামদা থিনজবক্লে হায়না তম্বীয়ু। ইকুবোক অর্মাদ ইনেমবোক্কী খুয়া উফুলদু নির্জাব অদোমগা নচা

চবনসিংহ নেগী থিবি থিবি-নাইন, হৌজিক্কালসে মফমসি যাম্না ঈংলে। উনসু যাম্না তাবে। ডিয়ুটী জমাদাবনা কৌবক্লে। বুটসু পোলিশ তৌগদবা ৱাৎলি। ফোলিন তৌবগী মতমসু ওইশিল্লক্লে - মখাদি নুমিদাংৱাইবম ইজবগে।

লমাযসিদদি মসিখক্তং ইবে। মথওগী লমাযদা অমুক যেংজগে। মসিদনা অসুম্না ইবি। 'অতৈদি কবিসু থোইনা ইনিংঙাই লৈত্রে, পাবুংনা হেন্না খঙবীবিবদুনি। চহি অমগী মতুংদা ছুটি থোবক্কনি। নমৌশিংগী মফী মবোলনচিংবা তুবীযু। ইমাগীদমক্তা অলমোড়াদগী অশেংবা হিদাকমনাদু খবা লৈনিযু হিবালাল মোতিলালগী মনাক্তগী। অদুগা লাক্কদৌবিবা নববাত্রিদা গোল্ল দেবতা গী মন্দিবদা ঐগী ইমিংদা হামেং অনি কৎপিযু। ঐগীদমক্তা পুজা-লাংজাগী থবক্তু গোল্ল দেবতাগী লাইশঙদা পাঙথোকপিযু। মফমসিদদি নুংঙাই যাইফবা হাযবদু ওইবি। মফমদুদসু নুংঙাই যাইফবা পীবীনবা ঈশ্ববগী মফমদা থৌনিজবি। পাবুংগী খুযাখাদা খুকমজবি ... অদোমগী নচা মথক্তা ফোংনা ইর্জাবিবদুনি।"

চিঠিদু পাবা লোযদুনা দযাবাম হৌগৎলগা মাঙদা লৈবিবা যুমশিংদুগী মাযকৈ তম্না অমুক চৎখ্রে।

পোষ্টমেন দযাবামদু কমস্যাবী খুঙ্গংদগী হল্লকপা মতমদা নুমিদাংৱাইবম ওইশিল্লম্মী। ব্রাঞ্চ পোষ্ট ওফিস বেনীনাগতা মহাক পোষ্টমেন ওইবনি। নৌনা থবক চঙবদা ঙাইবিবনি। মেত্রিক পাস তৌবগা কবিমক্তা তৌদনা লৈবম্মী। মাংগী মপাবুংদু লপোন ইতিক্কী থবক তৌই। মতাক্লা শহবদা লৈবা পোষ্টমাষ্টবগী মনাক্তা (থামবি চুপ্পা শঙ্গোম অফম্বা, খোংদ্রুম, তোবৌৎনাচিংবা বোবা কযা থিল্লুংবগী) ংদা মচানপাদু পোষ্টমেনগী থবক ফংলকখিবনি।

চযোল অমদা অনির্বাক্ত দযাবাম দিযুতি ওইনা কমস্যাবী অমদি ম...ক ...কপা খুঙ্গংশিংদা চঠি যেনবা চৎলি। ...দ মহাক ...নবক শুবা ওত...খুঙ্গংদুদা লাকপ...। খুঙ্গংগী মাওইশ...া মাবু থোইদোক

হেন্দোক্লা ইকায খৃম্লে। কনা গুম্বগী মনি ওরদব লাকপদু দযারাম্মা পীরুবা তারবদি মহাকপু আরতি তৌদুনা ওকই অদুগা দক্ষিনাসু পীরকই। মনা ওরদর লাকপা মতমদা খুঙ্গংগী মী ওই কয়ামরুম্মা চিংথক্তা শারবা লাইশংদা মৈরা কৎপা লাকই অদুগা মনীওরদরগী বসিততু অথুম-অহাওগা লোগননা লাইদা কৎলি। অদুগা হায় - "হে ঈশ্বর, মনিওরদবসি অসুম তোয়না লাকহনবীয়্।"

মশাগী খাকী ফিরোলদু শেৎলগা অমদি খাকী খাওদু মরেংবান্দা যাল্লদুনা দয়ারাম্মা খুঙ্গংদা চৎপা মতমদা কনাগুম্বগী য়ুম মনাক্তা হেক য়ৌকবদা ফৌশুরম্বী নুপীশিং শুক্লু পাগবগা চপ লেপ্পুনা লৈ, শঙ্গোম গুম্লম্বী নুপীসু লৈমায়থক্তা শঙ্গোমদু হেক-হেক শুমথবা য়াওই, অদুগা হিদাক থক্লম্বা অহলশিংদুসু মখৎতা হিদাকফুগী উতোং মরীদু পায়দুনা লৈ। মখোয় খুদিংগী মচিন্দগী "পোষ্টমেন সাহপ" হায়না কৌই।

লালগী মতমনি। কুমাউন মচা অয়াম্বা সিফায় খনবা চঙনখ্রে। শেল-থুমগী ফিভম ফওবনা মখোযগী য়ুমগী মীওইশিং অমদি নুংশিরবা মরমদম থাদোক্লবগী মবম ওইহল্লি।

দয়ারাম্মা উমংগী লম্বীদা ফাওদুনা চৎপা মতমদা মহাক্লা চীংগী নুপীশিংদুগী অবাবনা থল্লবা কায়ন-ঈশৈ শকপদু তারকই, মদু লান্দা চৎখ্রবা মপুরোইবশিংদুবু নিংশিংদুনা শকপনি। মহাক্লা হেক থুংলুবা মতমদা মপুরোইবা সিফায় খনখিবা নুপী খুদিংমক শজিগুম্মা তথক-তথক্লা য়েংঙি অমদি থেবগুম মমিৎ মনা চপ য়ুংখৎতুনা লৈবদু দয়ারাম্মা যাম্মা তোয়না উবা ফংঙি। দয়ারামদা লাইগুম্মা য়েংঙি। মহাকতি মখোয়গী অফ-ফত্ত লাইবক লোপ্লরীবা নোংদম্বগা পাংখকনি। মহাক্লা চিঠি নত্রগা মনীওদরগী মহুতা টেলিগ্রাম পুদুনা চৎপা তারবদি ... মরাইবক্কী সিন্দুর মুথৎলি, মখুৎ অনিদা শিরম্বা খুজিশিংদু থুদেকই, অদুগা খুঙ্গংশিনবা থুংনা অমঙ্গলগী মশক ওইরবা লংজাগুম মখুৎ ফন্দোক্লুনা লাও খোংই।

দয়াবাম মুন্নানী খুঙ্গংগী ন্নাবীদু নিংশিংলকই নোংমা মহাক্না টেলিগ্রাম পামা পুদুনা চৎলুই । ধনসিংহ বিষ্টকী মচানুপাদু লানফমদা মঙ্গং থাংগ্রা, কাম্মীনগী লানফমদা । টেলিগ্রামদ দয়াবাম মশামক্না পানদ্র, নহিংখি মদদা মহাক থদে হথিবা মাপোন্ন হুর্বানি ।

ধনসিংহগী মচুমীদনা হাকোমথাং পাকবগী দয়াবামিং যানগী লাম্নথর্দ্রি । পোষ্টমেন অপ্পগী আসি লম্না চক্রনা থবক তৌগনবা পম্বা শেংদ হান্না শিবসন । নঙগী নচে নচানগী যাইফ থাদম ওন্নানবা ... লাগা পনেংদু কনিগী চান্না তৎখিদ্রবনো, পাপী নঙগী টেলিগ্রাম নাকবিগী ইং ... চাওহল্লাবিবনো ? নঙগী লঙ্গোনগী ... অমাদ খুঙ্গংগী প্রধানদুসু শিবসনু । ইচাশিংসে নঙনা মপা ... চায়বদু ওত্তহল্লে । নঙোন্দা থোক্লম্লবদি নঙসু পুন্সি চুপ্পা ... । নঙনা ঐগী মমদা আসগুম্না টেলিগ্রাম পুরক্লিবসি গোল্ল ... মামদা হাম্নে কৎলবদি নঙগী নযুমদসু আসিগুম্বা টেলিগ্রামসি লাক্কনি ।

অদুগা অমুক থম্মোয শোক্না কপ্লদুনা তেংথা নাওইনা অমদি চাংনা চাংনা মথবাক্তা খুৎতুম্না শুই, মখুৎ খুনম্না মবাইবক্তা হন্না-হন্না থাই অমদি চৈ থাংই.... "নঙবু কোনবীবিবী নঙগী লু তোংবু শোন্নিবী নমাসু অসুম্না মথবাক্তা সুবা ওইবসনু ।"

দয়াবামগী মবাইবগী হমাং মরিক কাবকই । মহাক্না থবক চঙবা মতমদা মমানা মাবু মথানুংদা কোনবীদুনা হায়খি "ইমাগী ইবুংঙো! চুর্সিদি ইমাগী অন্নাবসি কোক্লে । ঐদ নতাক সিফায থনবা চঙখ্রগদ্রা তাগনা বাকনবনি । পোষ্টমেনগী থবক তৌবদা কবিমন্তা খুদোং থিনিংঙাই লেংতে, নঙগী পাবুংনদি.... ।"

দয়াবামগী মমিৎতা মপী ঈবা চেল্লকই । ঈশ্বরনা মমা ওইবীগী থম্মোয়দা কযাদা মানুংশি পোকহল্লম্লিবা । অদুগা ন্নুমিৎতুদা লুপ্রা ওইববী ইচেদুনসু মাগী পিশক-পিশক পিক্লিবা মচাশিংদুগী নাজাখর্বানি "কনানা মখোযগী অনা পোৎলুম পুনীগনি " হে পিক্লিবা ইচাশা! কনানা পন্থদগী ছুটি থোনন্নগা বিষ্কুট অমদি মিঠাই পিজগনি ইতম্বাক্কী ইচাশিংবু ? অবাবান পোষ্টমেন নঙবু পোকচবী নমাদু মথমোয কাযবা ওইকসনু ।

ঐতোন্দা কবিগী চৈবিবনো হায়না দযাবাম্না হাযনিংবনি। ঐনা নঙগী নপুবোইবদু নোংমৈনা কাপখিবা নত্তে। অদুবু মহাক কবিমত্তা হাযবা ঙমদ্রে। নুপীদুনা তেংথা নাওইবিবদুগী মমাংদা ব্রা মচেৎ অমত্তা ঙাংবা ঙমখিদ্রে।

নুমিৎ তুদগী হৌনা [illegible] টেলিগ্রাম অমত্তা লাকত্রে। অদুবু ব্রাঞ্চ পোষ্ট মাস্টবনা সোটিং তৌবদু [illegible] থেংঙা।

নুমিৎতু নিংথৌকাবনি। কম[illegible] খুঙ্গংদা চংনা [illegible] লাক্কে। ব্রাঞ্চ পোষ্টমাষ্টর [illegible] তৌনা [illegible] অদুগা দযাবামদু [illegible] হাপচিল্লে, [illegible] হুইহৌদনা বিষ্টুনা চকপা[illegible] পাল্দেনা টেলিগ্রাম যাওবা ইন[illegible] শল্লক্লে।

টেলিগ্রামদুদা [illegible] কমস্যাবী.... দযাবামগী [illegible] তৌখ্রে। মহাক [illegible] খঙলমদে। পোষ্টমাষ্টর পাল্দেনা হংই "কেদৌবে, ইনুংবে দযাবাম"

খ্যালিবাম পান্দে অহল ওইশিল্লক্রবা। দযাবাম্না মাপু ইকা[illegible] খুম্নে, মানস দযাবামবু মচা গুপ্পা পুংশির্জাবনি।

দযাবাম্না হাযবকই "কাবসু নত্তেদা খুডাইবংঙো। ঙবাংদগী হকচাংসি ইনুং পুংঙাইতে। লোক হখুং থংঙি..." অদুগা তৌশিন্নদুনা মনাতোন চিংখংলি।

"অদো ওসি ডিয়ুা ভদা চংলুবনু। কমস্যাবীবোমদদি উনা যাম্না কন্না ভাবি, নিমোনিযানা নাবসু যাই।" পান্দেনা হাযবকই।

"অদুদা টেলিগ্রাম অমা যাওবিদ্দ্রি...."

"ফবে, সুস্মায তৌবো" পান্দেনা হাযবকই "নঙ ঙসিদি দুকানসিদা লৈবো। টিকেৎ অমদি ইনভেলপ যোনবগী পৈশাদনা উপু বাক্স সিদা হাপাচল্লু, অদুগা অতৈ অশংপা পৈশাশংবুগা তোভান্না থম্মু।

বীড়ী উপু অমদা পৈশা মাপলদগী তানা য়োনগনু, নঙোন্দগীদি ঐনা পৈশা নিপালখক্তমক লৌগনি ।" - অদুগা মহাক্না দয়ারামগী খাকী খাওদু মরেংবান্দা য়াল্লে কমস্যারী মনাক্তা রতনয়ারী খুঙ্গংদা ঐগী নুপী মপাম্মি । ফরে, নখোয়গী নন্দোনদুসু পুরক্লেগে অদুগা ডাকসু (চিঠি) সু য়েল্লন্মগে । নঙবু ঐগী তল কয়াম কুইনা হৌদুনা (চাক ঈশিং থোংদনা) লৈখিগদগে ?"

খালিবাম্না মাগী দুকান্দুদা ব্রাঞ্চ পোষ্ট ওফিস হাংই । চহি ৩৫ মমাংদগী পোষ্টমাষ্টর অমদি পোং-চৈ মচা-মশু য়োনবগী থবক তৌদুনা পান্দত্তাঁদু থবক অনিদুদা খেন্নবা থোইনা উরক্লে ।

খালাম্না নিংশিংলকই নহান প্রধানগী য়ুমদা চিঠি পারিঙেদা প্রধানগী নমৌদুনা মঙোন্দা মীৎচিন্না ফল্লপ-ফল্লপ য়েংখিবনি । কয়াদা নাংতক্লহনখিবা মাগী মীৎয়েংদু । কয়াদা শুমহৎয়াই পুরিবা । শঙ্গোম অমদি চিনি নাম্না হাপ্লগা চাদু পুরক্লগা হায়খিবনি - "লৌবীয়ু পোষ্টমেন সাহেপ !"

দয়ারামগী নাকোংদা কনাগুম্বনা তপ্না হায়রকপগুম তারকই - "চাসে পায়বীয়ু পোষ্টমেন সাহেপ !"

মহাক তশেংনা অরাবা ওইরে ।

অদুগা, ঙসিনা টেলিগ্রাম লাক্লে । লানফমদা রতনাসংহ নেগীসু..... অদুগা দয়ারামদু মমিৎতা তন্দন পাইবগুম উরকই । অহাংবা মালংদা... মাগী মীৎনহাদু খুমজিনবগুম... অদুগা মহাক্না খল্লি, - রতনসিংহগী নুপীনা পোষ্টমাষ্টর খ্যালিরামদু ঙাশেম থাংনা য়ানগে হায়না লাও-খোংদুনা কোইতান তান্নরি - "নঙবু পোকপী নমাদুগী থম্মোয় কায়বা ওইরসনু পোষ্টমেন !"

মদুদগী.....

দয়ারামদু মকোক ঙাওরকই । মাইকৈ মরিমক্তগী রতনসিংগী লুখ্রাবী ওইরবী নুপীদুগী মীচৈশিং - তেঙ্গৈনা পাল্লবা উচেক্কুম্না মশাদু

[illegible] খঙ্গন্নবা [illegible] হায়কোংদা হায়রকই "পোষ্টমেন [illegible] পোকপা [illegible] অমদসু আসিগুম্বা টেলিগ্রামসে [illegible]"

[illegible] হায়কই [illegible] কল্পনা [illegible]

[illegible]

[illegible] পাঙ্গলনা [illegible] মহাক ঙপু বাঙ্গনা মথৎ শৌবদুনা তুমখ্রে ।..

[illegible] মহাক খঙহৌদনা কমসাবি খুঙ্গদা [illegible] । [illegible] নুপী লুখ্রাবাদি উমংদা শাজিক ফানবা লাক্লগা কপ্পুনা লৈবি "হাবিখ অনিগী টেলিগ্রামদুনা... ডাকপি শেনবীগদবা কনা লৈবে, যোকপি থাকপিগদবসু...."

মাবু ডাকপি শেনবীগদবা, যোকপি থাকপিগদবা [illegible] কাপ্পীবগী [illegible] লৈবদে । দয়াবামগী মমিৎতা অমুকসু [illegible] [illegible] পাইদুনা [illegible] হায়কই । [illegible] অমগা [illegible] মহাক্না হায়কই "চাসি থাবিবা [illegible] ...."

[illegible] মশমদু হফা লানি অদুগা দয়াবামগী অহাংবা খাওদু মানা থাংগোলনা লেনথৎলে, অমদি অকিবা শক্তম উৎলদুনা লাউখোৎদুনা লৈবি "পোষ্টমেন নঙগী চাদা ঐনা চিনি খুবাম মবি হাপখবদু [illegible] । ঐগী [illegible] হাপ্পুনা পীথ্রক্লবাগীদমক্তবা ? ইচাগী মখয় [illegible] বিষ্ণুপুর মুমবগীদমক্তা হচাশিংগী শক্তম শকক্তু [illegible] চাদা হাপখবা ? [illegible] নঙগা লমাগগী মমদসু টেলিগ্রাম [illegible] !... উবাদি নঙ । চমজবনা কাবসু খঙজদ্রবা উতল পোষ্টমাষ্টরদু [illegible] । [illegible] মভেন্দা শিন্নরকেদনা ?" অদুদগী

দয়ারামদু লাউরকই - "অদুবু ইচে, ঐনা নওগী রতনসিংহদা করিগী নোংমৈনা কাপকদৌরিবনো ? লাইরবা উপায় লৈত্রবা ঐবু করিগী চৈবীরিবনো ? ঙদিদগী হৌনা সরকারগী টেলিগ্রাম য়েনবগী থবক তৌজররোই .....।"

"করম কন্না হৌরব্রা, ইবুংঙো দয়ারাম ?" - পোষ্ট মাস্টর পান্দেনা মাবু নোম্মকই । অদুগা মাগী মীহুল য়েংলগা হায়রকই - "নরাইবক থীহে, ইবুংঙো নওসে । টেলিগ্রাম পুরগা জসৌতসিংহ নেগীগী ময়ুমদা চৎলুবনি । মাগী মচানুপী অমা অলমোড়াদা ময়ুম পানখিবদু মচা নুপা অমা পোকলে । ঐবু মখোয়না সেবা লাংবা ফজনা তৌবীরকই । অদুগীসু মথক্তা মখায় অমসু দক্ষিনা ওইনা পীরকইবনি, ব্রাহ্মননি নুংঙাইবা পাও পুবীরকই হায় ।"

দয়ারামদু য়াম্না ঙক্না অমদি হরাওনা পান্দেজীদা য়েংলি । "শিকি অমা ফুরিৎখাওদগী লৌথোক্লগা মঙোন্দা পীরদুনা পান্দেনা হায়রকই - চৎলমদাইগী মতমদা মমৌনুপীদুনা প্রধান্দা হায়খিবনি - পোষ্টমেনগীদমক্তসু শিকি অমা পীবিখো পাবুং । য়াম্না লক্ষ্মী চেনবী নুপীনিবু ।"

দয়ারাম্না পান্দেজীগী মখোঙ শোক্না খুরুম্মী ।

* * * * * *

ষনলাবা অনীগী ব্রারী

(দো বৈলোংকী কথা)

গধানা শাশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী পঙবা শানি হায়নৈ। ঐখোযনা কনাগুম্বা মীশক অমবু পঙই হাযনা খল্লবদি মহাকপু গধা হায়না কৌনৈ। গধাসি তশেংনা পঙব্রা নৎত্রগা মাগী চমজবা মওং, অব্রা-অনা কযা খাঙবা ঙম্বগী মথৌনাদুনা মঙোন্দা মিংথোল অসি পীবীবিবা জাৎলা মদুমদি তশেংনা হাযবা ঙমজদ্রে। ষনবীদি মচীনা ব্রাইগল্লি মচা চেনবী ষনবীদি খঙহৌদনা কৈ অমোমগী শক্তম হেক্তমক লৌবকই। হুই হায়বসিসু য়াম্না তোল্লবা শা অমনি, অদুবু কবি-করিগুম্বা মতাংদদি মাসু শাউরকপা য়াওরিবনি, অদুবু গধানা শাউই হায়বসিমদি খক তাখিদ্রি, খক উখিদ্রি। মাবু ফুনিংবা মতমদা ফুরবসু অপৎ-অপুম্বা নাপী-শিংবী পীজববসু মাগী মায়থোংদা কৈদৌদসু পেন্দবগী মমি অমত্তা তাবা উরোই। কালেছ্বাদা অমুক অনীরক্কাদি চেন-চোংদুনা শান্নরমগদ্রা অদুবু মানা হরাওনা লৈবদুদি ঐখোয়না কৈদৌঙৈদসু উখিদ্রি। মাগী মাযথোংদা লোইবা নাইদ্রবা অব্রাবগী শক্লোন অমা মতম লৈবা খিবিক্তা উবা ফংই। অব্রা-নুংঙাই, অমাঙ-অতোংগী ফীভম কয়াদা মাগী মওং-মতৌ অসি সুকহোং হোংদে। ঋষি-মুনিশিংগী মশাদা চেল্লিবা গুন খিবিক্ক গধাদসু খম থেংনা চেল্লিবনি, অদুবু মীওইবা ঐখোযনদি মাবু অপঙবা জীবনি হাযবীবি। অফবা মগুনবু অসুম্না থওইবীদর্বাসি মফমকৈদসু চৎনদে। সংসার অসিদা চম্না লেঙবা মীদি চন্নফম লৈতে। খন্দুনা যেংবীযু, আফ্রিকাদা ভাবতমচাশিংগী ফীভম কযাদা শাথাবকনো? কবিগীদমক ভাবতমচাশংবু আমোবিকাদ চঙবা যাহন্দ্রিবনো? মদুগী মবমদি -মখোয য়ু থক্তে, তুংদা লাক্কদবা খুদোংথীবা কযা খল্লবগা পৈশা মঙা তরাদং তুংশিঙ্গে, মপাঙ্গল ঐতকপমখৈ শ নোমজৈ, নোংমতা কনাগসু খৎন চৈনদে, মীনা নাংলব। ভাবগ্না খাঙদুনা লৈথোকপা ঙম্মী। অদুম ওইনমক মীযাম্না মানা থানা ঙা কীব। মখোযশিংদুনা পাক্সগী ফিদমবু গাক ভক্তহল্লি হাযনা ঙা নাব। অসুম্না মিংচৎ থিহল্লিবীশং অসিগী মথঙা চপ চানা লমন খুম্বা ওল্লবাদ ভাবতমচাশংবু চাঙখংপা জাতিনি হাযবকপসু যাবি।

জাপানগী খুদম্মা লেঙদবা সাক্ষীনি। অমুখক জয় তৌখিবনা লৈবাক অসিবু পৃথিবীগী চাওখৎলবা জাতিশিংগী মনুংদা চলহনখ্রে।

অদুবু গধাগী মনাও অমগসু লৈরি। মঙোন্দা গধাগী গুনসু খবা যাওই। মাগী মমিং 'ষনলাবা' কৌই।

ঐখোয়না গধা হায়বগা খঙনবিবা অসিগা খরা হাইবপ মান্নবা অর্থদা ঐনা ষনলাববু 'ষন্নাওগী মপল' হায়না মমিং থোনজবে। মীওই খবনদি ষনলাববু খ্বাইদগী অপঙবনি হায়রম্বা য়াই অদুবু ঐগী মত্তদি মদু নত্তে। ষনলাবা হায়বসি করি-করিগুম্বা মতমদা ৱাইনরম্বা যাই, কবিগুম্বদা নিংঙাই চাউবা ষনসু ময়াওই। তোঙান-তোঙানবা শাজৎ-লীচৎ কয়া উত্তুনা মহাক্না মশাগী পেন্দবা নুংঙাইতবদু ফোঙদোকই, মবম অসিনা মাগী থাক অসি গধাদগী হেন্না নেম্মী।

হীরা অমসুং মোতী হায়বসি ইঙ্খোল কোইরগা জীবিকা ওইবা ঝুরীনা লোইজবা ষনলাবা অনীগী মমিংনি। অনীমক নোংচুপলোমগী ষন জাৎ ঙাক্তনি। যেংবদা ফজৈ ৱাং-চাউই, থবক তৌবদা মশা খীংই। য়াম্না কুইনা লৈমিন্নবকপনা মবানি মচীন মনাওগুম নুংশিনৈ। মখোয অনী ওনশিন্নরগা নৎত্রগা যেৎকা ওইগা কুর্নমিন্নবগা লোহ্ণোক্তবা মরোন্দা মপূক্লিংগী ৱাখলদু ফোঙদোকনৈ। অমগী পূক্লিংগী ৱাখলদু অমনা কবম্না খঙ্গলিবনো হাযবদুদি ঐ হাযবা ঙমদে। থৱায় পানবা জীবশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী অথোযবানি খঞ্জাববা মীওইবা ঐখোযদা যাওদবা অবোনবা নগুন অমা মখোয়গী মশাদসু সুকশোয় শোযদনা যাওবি। মবানী অমনা অমগী মশাদা মবৈনা লেক্তুনা অমদি মনম নমদুনা নুংশি চান্নবদু ফোঙদোকনে। কবি কবিগুম্নদা মখোয অনী মচীদ্ লৌশিনৈ মদুমক্না তমথীনা বাইনর্বাদি নত্তে, চুম্নতগী হবাও নুংঙাইবা উৎপা অর্মাদ লৈনবিবা মবীদু নক্লবগী মওংনি। নন চান্না তিন্নবা মকপ মপাং হাযবাসিদি খবা হেক নকশিন্নবকপগা খুবাক্না খুৎনম্না থার্নাবরা অদুগুম্বনি। অসুম্না তৌদ্রবদ মকপ মপাং ওইবগী মবীদু ইযাং যাংই নবা ইচেং চেংতে। মদুগুম্না মকপ ওইবগী মবাদুদি কযা থাজনাংঙুই ওইদে। ষন অনী অসি লাঙ্গোন নৎংগা গাঙ্গীদা পানবা মতমদা মঙক

নোম-নোমদুনা চৎলি। মতমদুদা মখোয অনীনা পুরিবা পোৎলুমদু অমনা অমদগী হেন্না পুননবা হোৎনৈ। নুমিৎ চুপ্পা থবক শূরুরগা নুমিৎ য়ৎবা নৎত্রেগা নুমিদাংবাইরমদা ঙাইহাক থাদোকপা মতমদা মখোয অনী অমনা-অমবু লেক-লেক্তুনা অৱা পোথামিন্নরিবনি। বাগোসতা থা উথা তোৎপা চক্ক হাপ্লন্বা মতুংদা মবানী অমুক্তংদা পূন্না হৌগৎমিন্নৈ অদুগা বাগোসতা পূন্না চামিন্নৈ অদুগা অমুক হান্নগুম কুর্নমিন্নৈ। শর্জীক অসুম চারন্নদগী অমনা হেক মমায় লৈথোকখিবদা অমদুসু অদুম হেক্তা লৈথোকখি।

তাঞ্জা চাকবা হায়বদুনি, অমুকখক্তি ঝূরীনা শন অনীদু মাগী নুপী ময়ূমদা থাখ্রে। শন অনী অদুদি মখোয়বু করিগী থারিবনো হায়বা খঙজ'পোৎ নত্তে। মবানীনা খল্ললক্ষ্মী, "য়ূম্বুনা ইবানীসে যোম্ফোক্লবনি।" অদুম্মা য়োম্ফোকপদু মথৱায় নুংঙাইরমগদ্রা নুংঙাইবল্লোইদ্রা হায়বদুদি কনানা খঙগনি, অদুবু ঝূবীগী মশেন্নুপা গযানা শন অনীদুবু ময়ূম ফাওবা পুখিবা মতমদা মহাক ৱাবনা মপুম থীৎলক্ষ্মী। তুংলোমদগী হোইবে, য়েৎলোম ওয়বোমদা হেক চেনখি, কোম্ফৌরী পায়রগা মাঙলোমদা চিংদুনা য়েংই, তুংলোমদা হৌদুনা হেক্তা চেনখি। শাজেনা ফূরুরে, মচী লুকথরগা ৱাইগদবগী হেক্তা ফী-ফী কাল্লকই। করিগুম্বা ঈশ্বরনা মবানীগী মফমদা ৱা ঙাঙথোকপা ঙম্বগী লৈয়েং পীবিরল্লবদি মবানীনা ঝুরীদা অসুম্মা হংলমগদবনি —
"নঙনা তোল্লবা ঐখোয় অনীবু করিগী তাম্ফোকপীরিবনো? ঐখোয়দি পুকচেল শেংনা অখাকপা লৈতনা নঙগী সেবা তৌদুনা লাকচবনি। ইবানীনা অসুক কন্না শূরিবসিদা পেন্দ্রবসু মসিদগী হেন্না শীজিন্নবীয়ু। নঙগী থবক তৌবদা ঐখোয়দি শিরবসু শিজরগে হায়না লৈরবনি। ঐখোয়না নোংমতা দানা-শর্জীক্কী মরমদা পেন্দবা ৱাকৎখিবা য়াওরব্রা? নঙনা পীজবা চীঞ্জাক খুদীংমক তূমিন্না হরাউ-হরাউ চারি অদুগা নঙনা ঐখোযবু মীফত্ত অসিগী মখুত্তা করিগী য়োম্ফোক্লিবনো?"

নুমিদাংৱাইরমদা শল্লাবা অনীদু মখোয়না চৎলিবা অনৌবা মফমদুদা থুংখ্রে। নুমিৎ চূপ্পদুমা মবুক লাম্মা লাক্লবনি অদুবু মবানীবু

বাগোস মনাক্তা পুনশিল্লবা মতম অদুদা মবানীগী মরক্তা কনানসু বাগোসতা মচীন থিংজিনখিদ্রে। মবানী মপুক্লীং যাম্না নুংশিরক্লে। মবানীনা মযূর্মনি খঞ্জরম্বা অনৌবা যুম, অনৌবা খুন, অনৌবা মী পূম্নমক মবানীগী মফমদদি মীতোপ ওইনা লোইনা থোক্লবে।

মবানী লোন্থোক্তবা মরোন্দা ব্রাতান্নরম্মী, অমনা অমদা মীৎচী খত্তুনা লোন্না ইঙ্গিৎ তৌরম্মী অদুগা হীপথখ্রে। খুন অপূম্বা তূম্নখ্রবা মতমদুদা মবানী লৈক্তবা থৌনা-শক্তি পুথোক্লুনা মঙক্তা পুল্লিবা কোন্থৌবীদু থদৎলগা ময়ুমলোমদা লাক্লম্মী । কোন্থৌবিশিংদু য়াম্না কল্লম্মী। অদুগুম্বা কোন্থৌবীশিং অদু শন অমনা হেক্তা থদৎপা ঙমগনি হাযবা কনাসূ থাজরোই, অদুবু মতমদুদা শন অনীদুগী মপাঙ্গল হান্নদগী শব্দক অনী হেনগৎখ্রে। খুৎচিং অমুক অমুক্তা কোন্থৌরীশিং অদু পৎ-পৎ তৎখ্রে।

ঝৃবানা অযুক যাহৌবকপা মতমদা শঞ্জাবৃংদা মাগী শন অনীদু লেপতুনা লৈবম্বা উবে। শন অনীদুগী মঙক্তা অতৎপা কোন্থৌবী তঞ্জায তঞ্জায় যাঙ্খিবি। মবানাগী মখোঙ খুকউ ফাওবা লৈখোম্না পূমতৈ তৈরম্মী। মবানীগী মমীত্তা শাউনীংলবসু শাউবা ঙমজদবগী নুংশিবা মতৌ অমা যাওবি।

শনাশিং অদু উবদা মবানীদু নুংশিরকপনা ঝূরী থম্মোয় পুবা ঙমখিদ্রে। চেনশিন্দুনা শন অনী অদুবু কোনবীবে। ঝূরীনা শনশিং অদুবু কোনবীবা অমদি চূপ্লিবা মতৌদু য়েংবদা ওন্থোক্লা পুক্লিং হূনবগী মশক্লি।

ইমুংগী অমসুং খুঙ্গং অদুগী অঙাংশিং লাক্লুনা মফমদুদা তিল্লরে অমসুং খুবাক খূরদুনা শন অনীদুবু তরাম্না ওকখ্রে। খুঙ্গংদুগী ইতিহাসতা থৌদোক অদু মমাঙদা অমুক্তা থোকখিদ্রিবমক নৎত্রবসু অতাঙবা থৌদোক অমদি ওইরম্মী। অঙাং ময়ামদুনা লেপ্পরম্মী — "থৌনা ফববা শন অনীসিবু থাগৎপা ফোঙদোকপা ওইনা তরাম-তরাম ওকফম থোকই।" অঙাং অমনা ময়ূমদগী তল অমা, অমনা চিনি অঙাঙবা, অমনা চেংকূপ, অমনা হব্রাইমকূ অসুম্না মথং-মথং পুথোক্লবক্লে।

নুপামচা অমনা হায়রকই - "অসিগুম্বা শনশিং অসি কনামতগী যূমদা লৈনরম্মোই."

অনীশুবা অঙাং অমনা ব্রাফমদু শৌগৎলদুনা হায়রকই - "মবানীখক্তা অসুক থাপ্লা চেল্লকইবনি।"

অহুমশুবনা হায়রকই - "মখোয়সে শন নত্তে, নহানমুক্কী মপোক্তা মী ওইনা শোয়দনা পোক্লমগনি।"

হায়রিবা ব্রাফম অসি কনামতনা য়েৎপা, ককপা ঙমখিদ্রে।

ঋরীগী নুপীনা শল্লাবা অনীদু কোম্থোঙদা লৈরম্বা উবদা মৈ হৌনা শাউরম্মী। হায়রকই - "আ ইপামদা নোংমা ফাওবা থবক শূরমদনা চেল্লক্লিবা শনশিং অসে কয়া তৌবিমল খঙদ্রিবনো?"

মাগী শনশিং অদুবু হুন্দুনা থীনা চৈরকপদু ঋরী তাবা ঙমদ্রে, হায়রকই - "করিগী তৌবিমল খঙদ্রিবা ? আদা মখোয়না চাননবা শজীক-শনাই ফজনা হাপ্লিরম্মোই, অদু ওইরবদি কৈদৌনি? মশানা চেল্লকপা তাবনি।"

মাগী নুপীনা য়াম্না চীং লেম্না হায়রকই - "ইস! নঙনা হায়রিসিদি শনবু মবুক থন্না পীজবা হৈরিবসি নঙ মঙায়রেনে অদুগা মী অতৈনা শন লোইনরিবর্সিদি ঈশিংতমক পীথক্লগা লোইবা তারেনে ?"

ঋরীনা শাউনা হায়রকই - "মবুক থন্না পীজরবদবু মখোয়না করিগী চেল্লক্কদৌবিবনো ?"

নুপীদুনা শাউনা খুল্লকই - "চেল্লক্লিবদুগী মরমদি 'সিনি, মখোয়দি নঙগুম্বা অপঙবদৌনা শনবু তক-নান্দুনা থমদে। মখোয়দি মবুক থন্নবসু পীজে, লৌসু ভাবীদা খোই। শন অনীসে ওম্থোক্লা শূনীংখিদ্রবা কতন ঙাক্তনি, অদুনবু চেল্লকইবনি। হৌর্জিক্তি কনানা কদাইদগী থাউথী চেংকূপ পীজবা ঙম্বগে হায়বদো য়েংবা তারে। অকংবা চরূ নত্তনা করিমত্তা পীজবা যারোই, চাগে চাও, শিগে শিয়ু।"

হায়বগা তৌবগা মদুমক থোক্লরে। শনশিং অদুদা সুপ্নগী অকংবা চরূ ঙাক্তা পীজগদবনি হায়না ইমুংগী থবক-ইনখাং তৌবা নুপা পাখোল্লোয়দুদা অকনবা য়াথং পীখ্রে।

শনশিং অদুনা বাগোসতা মচীন থিংজিল্লুবা মতমদদি চাবদা মহাউ য়াওদ্রবা ইকং-কংবা চরূ ঙাক্তা ওইরম্লে। থাউথী-দনানচিংবগী অনানবা মহী অমতসু য়াওরমদ্রে, শায়বদা মহাউ অমতা য়াওদ্রে। মদুদি করম্না চাগনি? অহাউবা শজীক পুরকখিগনি হায়বগী আশাদা শন অনীদু কোছোঙলোমদা য়েংদুনা অদুম লৈরে।

ঝূরীনা পাখোল্লোয়দুদা হায়রকই - "থাউথী খরা কোন্না চাইশিনবিরুবা য়াদ্রা?"

"মদু তৌরুরবদি নঙগী নুপীনা ঐবু শোয়দনা ফূবিরক্কনি।"

"লোন্না চাইবিরু চৎলো।"

"ঐ ঙমজরোই ইবুংঙো, কোন্নদি নঙসু মাগী মীচঙ অদুম ওইখিদোইনি।"

(২)

মথংগী নুমিত্তা ঝূরীগী মশেন্নুপাদু অমুক লাক্লে অদুগা শনশিং অদু অমুক হন্না পুখ্রে। ঙসিদি শন অনীদু মহাক্লা গাড়ীদা পানশিল্লে।

মোতীনা গাড়ী অদু সোরোক্কী নালাদা অহুম-মরিমক চিংথগে তৌরম্মী অদুবু হীরানা কলহৌরে। মহাক মোতীদগী হেন্না অখাঙ কনবা শন ওইরম্মী।

নুমিদাংৱাইরমদা ময়ুম য়ৌরবদা মহাক্লা শন অনীদুবু চাউরবা থৌরীনা পুনশিল্লে। অসুম্না ঙরাং লমহেন্দুনা চেনখিবদুগী মতীক থোকপা দণ্ডি পীখ্রে। অদুদগী ঙরাংগী মতৌগুম ঙসিসু চরূ অকংবা হাপচিল্লম্লে। মহাক মশাগী শন অনীদুদনা থাউথী অমদি চেঙকূপ-ৱাইকূপ খুদীংমক পীজনম্মী।

শল্লাবা অনীদুবু অসুম্না অদুক ইকাইবা পীবদি কৈদৌঙৈদসু য়াওখিদ্রি। মবানীগী মশাদা ঝৃরীনা ফৃ-চৈবদি লায়রদনা লৈনা পাবা চৈ মচা অমনা ফাওবা থেংলক্ত্রি। মহাক্না খজিক্তং হোইবদা মবানী মখোঙ য়াঙনা গ্রোঙ-গ্রোঙ চৎলী। অদুবু মফমসিদদি মবানী শাজৈ চারে। ঈকাইবা নংবগী মথৱায় য়াম্না নুংঙাইতনা লৈরিঙৈদুগী মথক্তা চাননবসু চরূ অকংবা ঙাক্তা হাপ্পিরবা ! মসিদদি চানীংদ্রমাল্লে, মবানী বাগোসকী মায়কৈদা মমীৎনা হন্না ফাওবা য়েংখিদ্রে।

মথংগী নুমিত্তা গয়ানা লৌ খোইননবগীদমক শন অনীদু লাঙ্গোন পানশিল্লে অদুবু মবানীদি হান্ননা খোঙ থাংনগুমসি হায়না ৱাশক্লরবগুম খোঙফম লেঙউ য়াখিদ্রে। শন অনীদুবু ফৃবদা গয়াসু চোকথরে অদুবু মবানী মখোঙদি থাংউ কৌবা ময়াখিদ্রে। হৌজিক্তি মীনুংশি খঙদ্রবা মীফত্ত অদুনা হীরাগী মনাতোন্দা শাজৈ মশীং খঙদনা ফৃজিল্লক্লে। মতম অদুদদি মোতী অশাউবা ফাজিনবা ঙল্লক্ত্রে। মহাক লাঙ্গোন পুদুনা চেনখ্রে। পোপ্পু-লাঙ্গোন, থৌরী, শউনগী মরীনচিংবা পূম্নমক কায়দুনা অমদি তত্তুনা পূম্মাঙ মাঙহনখ্রে। মবানীগী মঙক্তা থাংলিবা অচৌবা থৌরীশিংদু থাংলমদ্রবদি মবানী চেনখিবদা কনানসু ফাবা ঙম্বগী ৱাফম লৈত্রবনি।

হীরানা লোম্থোক্তবা মরোন্দা হায়রকই - "ভাঙ্গ ! চেনবনা করিসু কান্নরোই।"

মোতীনা খুম্লকই - "ফৎত্রবা নুপাসিনা নঙবু হাৎলমগদৌরিবনি।"

"হৌজিক্তি নঙ চৈ য়াম্না চাবা তারে।"

"চারবসু চাবা তারেদনা, শনগী মপোক্তা পোক্লরবনিনা শনগা শাজৈগা হায়বসি থানবদি কদাইদগী য়াগনি !"

গয়াদু মী অনীগা লোয়নরদুনা হোবে-হোবে চেল্লক্লি। মী অনীদু মখুত্তা শাজৈ অমমম্ পায়রকই।

মোতীনা হায়রকই - "ভাঙ্গ ! ঐসু কৃম্নে মতেক অমতং

উৎকে, মসিদা নও করি হায়গে ? ইস ! মখুত্তা শাজৈগকা পায়দুনা লাকইসে যেংউ।''

হীরানা থেমজিল্লকই - ''ভাঙ্গী, মদু য়াদে। লেপখৎলো।''

''করিগুম্বা ঐঙোন্দাবু হেক ফুরক্লবা, অদু ওইরবদি মখোয় অম নীদি হেক্তা নমশিল্লগা লোইরে।''

''নত্তে, অদুম্মা তৌরুনু। মদো ঐখোয় শন হায়বা কাঙলুপ অসিনা চৎকদবা ধর্ম্ম নত্তে।''

মোতী খম্মোয়নুংদা খুদুম শুদুনা তুমিন খাঙখ্রে। গয়া থুংলরে অদুগা মবানীবু ফারগা পুখ্রে। মতম অসিদা মহাক্লা ফু-চৈবা তৌরক্লিবা অদুমদি ফবে, নংত্রবদি মোতীসু থক-খা ওল্লক্কদৌরিবনি। মাগী অশাউবা মাংয়েং অদু উবদা গয়া অমদি মাগা লাকমিন্নরিবা মরূপশিং অদন। হৌজিক্কীদি ফুক চৈকদবনা অফবা ওইগনি হায়বসি খঙখ্রে।

ঙসিসু মবানীনা চাননবা চীঞ্জাকনি হায়দুনা হান্নগী অকংবা চন্দদু অমুকসু পুশিল্লক্লে। মবানী তুমিন-তুমিন লেপতুনা লৈরে। ইমুংগী মীশিং অদু চাক-ঈশিং চানবা হৌখ্রে। মতম অদুদা পীক্লিবী নুপীমচা অমা মখুত্তা তল অনী পুবদুনা থোক্লক্লে অদুগা মবানীগী অবাম্বা করম্মা কোক্কনি, অদুমকপু মবানীগী মথম্মোযনুংদা তল অমমম চাবা ফংবদুদা মবুক থগ্না চাবা ফংলবগুম খনখ্রে। মফম অসিদবু মবুক-মপাউ ফবা মীসু লৈব্রনে ? হৌজক লাক্লম্বী অঙাংদু ভৈরোনি, গয়াগী মচানুপীনি। মাগা মমাদি লৈখিদ্রে। পোক্তবী মমানা মাবু মতম চুপ্পা ফুবীদুনতা লৈ। মরম অদুনা শন অনীদুগী মতৌ উরুবদা মওং অমদা মহাক্লা মবানীবু ওহ্োক্লা নুংশিরুরে।

শন অনীদু নুমিৎ চুপ্পা লৌ খোই, নিংঙাই তৌরে, চৈ হেক্তা চায। থবক শূবা লোইরগা নুমিদাংবাইদা ঙসাইগী নুপীমচা অদুনা মবানীদা তল অনী হেক-হেক পীজরম্মী। নুংশিনা পীজবা প্রেম-প্রসাদ অদুগী থৌজান্দগী মবানী অকংবা চরূ চখোম অনী অহুমদং চাদুনসু মপাঙ্গল ময়েং তারমদে অদুবু মবানীগী মমীত্তা, মবানীগী তুখোঙ খুদাংদা

পেন্দবগী ঈরাং হৌনীংবা ঈচেল অমদি চেল্লন্মী। নোংমদি মোতীনা লোঙ্খোক্তবা মরোন্দা হায়রকই - "হীরা! হৌজিক্তি ঐ খাঙবা ঙমদ্রে।"

"কৈদৌগে খল্লিবনো ?"

"ঐগী ইচী অনীসিনা মখোয অম-নীদি কোৎলগা লংঙসিরা খল্লে।"

"অদুবু ইবানীদা তল হেক-হেক পীজবী নুংশিরবী নুপীমচাদো য়ূম অসিগী য়ূম্বুগী অঙাংনি হায়বসে নঙ খঙদ্রা ? য়ূম্বু হাৎলবদি অঙাং অসি মপা-মমা লৈত্রবা মচা হায়বদু ওইরোইদ্রা ?"

"অদু ওইরবদি য়ূম্বুগী নুপীসি ওইনা লংঙগে। মাদি পোক্তবী মমানিনা অঙাং অসিবুসু থীনা ফূবি হায়দাইনে।"

"অদুবুনে নুপী হায়বা জাৎ অসি শন ঐখোযনা থ্রাইবা য়াদে হায়বসি নঙ কাউরবরা ?"

"নঙনা হাযরিবসিনদি ঐখোয় উপায় অমা তৌদুনা মফমসিদগী নাঙ্খোকখিনবা তৌসি হায়বসে নঙনা সুকয়া য়ারোইদৌরিনে। অদুদি হায়রো, ঙসিসি থৌরী থদৎলগা হেক্তা চেনখ্রসিরা ?"

"হোয়, মদুদি ঐসু য়ারে, অদুদা লুরিবদি অসুক চাউখ্রবা থৌরীসি ইবানীনা করম্না থদৎকদৌরিবনো ?"

"মদুগী উপায় অমা লৈরে। অহানবদা থৌরীদো নয়ানা পোপ্লি-পোপ্লি শায়রো। অদুগা অমুক্তং চিংবদা মরাইনা তৎচরনি।"

নুমিদাংদা নুপীমচা অদুনা তল পীজরম্লগা চঙখ্রবা মতমদা মবানী থৌরীশিংদু শায়বা হৌবে অদুবু থৌরী অদু চাউমনখিবনা ময়ানা শায়বা চল্লমদে। মবানী লৈজবা শক্তি পুথোক্তুনা থৌরীশিংদু শাযবা ঙম্মনবা হন্ন-হন্না হোৎনরকই।

মতমদুদা খঙহৌদনা ইমুংদুগী থোঙ হাংদোরকই অদুগা নুপীমচা অদু থোক্লক্লম্মী। মঙক নোঙ্থরগা মবানীনা নুপীমচাদুগী মখুৎ লেকপিরম্মী অদুগা মবানীগী মমৈদু চপ তিংখৎলক্লম্মী। নুপীমচা অদুনা

মবানীগী মরাইবক্তা নানবিরগা হায়রকই - "নবানীগী থৌরীসে ঐ থাদোকপিরগে। নবানীনে তূমিন্না চেনখ্রো নৎত্রবদি মফমসিদা লৈরিবা মীশিং অসিনা নবানীবু শোয়দনা হাত্তোকপিরগনি। নবানীগী ননাতোং দু হুৎলগা নারেং-থৌরী থাংলগনি হায়দুনা ইমুংদা ঙসি ৱাতান্নরি।"

মহাক্না কোম্থৌরীদু হুক্তোকপিরে অদুবু মবানীদি তূমিন লেপতুনা অদুম লৈরে।

মোত্তীনা মাগী লোম্থোক্তবা মরোন্দা হায়রকই - "হৌজিক্তি চৎলসিদনা।"

হীরানা খুন্নকই - "চৎপবুদি চৎলসি, অদুবু হয়েংদি কনা লৈজদ্রবী পিদোল্লবী অঙাং অসি খুদোংথীবা নংহৌরনি। মী খুদীংমক্না মাবু চিংনগনি।" মতমদুদা খঙহৌদনা নুপীমচা অদু লাউরক্লম্মী - "হো বাবা! মাম্মখোয়গী শন অনীসে চেনখিগদৌরে। হো বাবা ! শন অনীসে চেনখ্রে, প্রপ-প্রপ লাকও।"

গয়া ইমুংদগী ইপা পাখৎনা চেম্থোরক্লে অদুগা শনশিং অদু ফাননবা তান্নরক্লে। শন অনীদু কন্না চেনখ্রে। গয়ানা তান্নরি। মবানী হান্নদগী খোঙজেল অমুক্তা হেন্না য়াম্খৎখ্রে। গয়ানা শন চেনখ্রে হায়দুনা কোয়রাউ লাউরে। অদুদগী খুনগী মী খরা হৌরগা চৎমিন্নগে খন্দুনা গয়া হঞ্জিল্লক্লে। মহাক্না ময়ূমদা হনখ্রিঙৈ তাল্লক অদুদা মরূপ অনীদু চেনখিনবগী তাঞ্জা ফংলে। মবানী চুমদ্রিং চেনখ্রে। নাক-য়েৎকী অকোয়বদা থোইনা যেংথোক্লুবা তৌদনা অদুম চুমদ্রিং চেনবদুদা মবানী লম্বী কদোমদনো হায়বা নীংশিংখিদ্রে। চেনবা হৌরকপা মতমদদি মবানীনা খঙবা লম্বীদগী লাকখিবনি, হৌজিক্তি মদুসু খঙখিদ্রে। অনৌ-অনৌবা খুনশিং ঙাক্তা থেংনরে। মতম অদুদা মবানী লৌবুক অমগী মতাইদা লেপ্লগা ৱাখল খনবা হৌরক্লে - "হৌজিক কৈদৌবা তাই ?"

হীরানা হায়রকই - "ইবানী লম্বী লম্মাঙনবমানে।"

"নঙসু হৌদুনা হেক্তা চেনখি। মফম অদুমক্তদা মাবু নর্মশিল্লগা হাৎতোক্লম্বা য়াবনি।"

"মাবু নমশিন্দুনা হাৎলবদি মীয়াম্মা ইবানীবু করি হায়নখিনি ? মহাক্কা মাগী তৌফম থোকপা ধর্ম্ম কায়না চৎলবসু ঐখোয়নদি ইশাগী ধর্ম্মনীতি করিগী থাদোকদৌরবনো ?"

মবানী মবুক লাম্বনা পৎ তৎলে। লৌবুক্কুদা হন্নাইথরাক হৌরম্মী। মদু মবানী চাবা হৌরে। মরক-মরক্তা মী পোং লাকপ্রা হায়দুনা মীৎকূপ-নাহুম শিংনা মীখোন তাবম্মী।

মবুক পীক থন্না চালবা মতমদা মবানী নীংতম্লে হায়না খল্লক্লে, অদুনা হবাউ-মথোই কাদুনা চেন-চোংবা হৌবক্লে। অহানবদা মবানী ফী-ফী কান্নদুনা মো-মো খোংলম্মী। অদুগী মতুংদা মচা-মচী থেঙ্গাইনরগা ঈন্নবা হৌরক্লে। মোতীনা হীরাবু খোঙ্কাপ কয়া তুংলোমদা ঈল্লম্মী। অসুম অসুম ঈনশিল্লক্কুনা মমৈথংদা হীরাদু কোমদা তাশিনখ্রে। মতাং অদু য়ৌরক্লবদুদদি মহাকসু শাউরক্লে। হীরা কোমদগী তপ্না নীংথিনা কাখৎলক্লে অদুগা মোতীগা মবানী কন্না লাইখায়নরে। অসুম্না ফাগি ফাগিদগী মবানী শাথীনা খৎনরক্তদৌবে হায়বা মওঙদু মোতীনা উরে, অদুনা মহাক মতাই অমদা থৈদোক্কুনা লৈখ্রে।

(৩)

"এ: এ: আদৌসিদি করিনো ? য়েংউ তূ আদা কৈথেল কাও অমা খৌশাদুনা চৎলিবসে। মানি, মপি কাও হায়বদুনি। তূ তূ, হায়রিঙৈসিদা কাও অসে ঐখোয়গী ইমাঙমক্তদা য়ৌশিল্লক্লে।" মরূপ অনীদু মথংগী হিংনবা লম্বী কোয়য়েং য়েংবা হৌরক্লে। কা ওাদ মপাঙ্গল কনবদা পূরা শামুনি। মহাক্কা লাল্লেংনবা হায়বসি থব্রায় মাঙবা হায়বনি। অদুবু মহাক্কা লাল্লেংনদ্রবসু থব্রায়দি কনবা ঙমগদবা মান্দ্রে। হায়না-হায়না কাও অদু মবানী তম্না অসুম চঙশিল্লক্লে। কয়াদা অকিবগী মশক ওইরবা শক্তম্নো ?

মোতীনা লোল্লোক্তবা মরোন্দা হায়রকই - "ইবানী লাংদা থুবে। থব্রায় অসি হিংখিগদ্রা খঙদ্রে। নাও উপায় অমত্তা পুথোরকউ।"

ঈীরানা থবায় ৱানা হায়রকই - "কাও হায়র্বাসি মশাগী নাপন অমদা ঙাওজবা শানি। ঐখোয়না হায়জ-নোঞ্জবগা মানা চমন্দা তাবিরোই।"

"অদুদি চেনখ্রসিরা ?"

"চেনবা হায়বদুদি পাঙদবনি।"

"অদু ওইরগা নঙ মফমসিদা শিজহৌরে। ঐদি চেল্লেহে।"

"চেল্লগা হেন্না তান্নরক্লবদি কমদৌবা ?"

"অদু ওইরগা উপায় অমতং য়াম্না থুনা পুথোরকওদনা।"

"উপায় হায়ববু মসিনি, ইবানী চঙদুনা মাবু হেক্তা ৱাইখায়রসি। ঐনা মাঙলোমদগী ৱাইশিল্লক্লে, নঙনা মতুংলোমদগী ৱাইশিল্লকউ। মাংকে অনীদগী ৱাইশিল্লকপদা খাঙবা ঙমদদুনা মহাক শোয়দনা চেনখিগনি। মানা ঐঙোন্দা ওনশিন্দুনা ফন চোংশিল্লকপা মতমদুদা নঙনা নাকন্দগী মাগী মবুক্তা নচীদুনা থিনজিল্লু। থৱায়সে শিগদবা পাম্মূই, মসি নত্তনদি অতৈ উপায় লৈত্রে।"

মরূপ অনীদু মথৱায় খুবাক্তা হাপতুনা হোৎচিনখ্রে। অপূনবা য়েক্লবা কাঙবুগা করম্না লাছেংনদগে হায়বগী ত্তান্দি কাওদুদা লৈরমদে। মানা হৈবাদ অমমমতা ওইনা লাম্বা পাবদুনি। মহাক্না ঈীরাদা হেক চোংশিল্লকপগা মোতীনা মতুংলোমদগী তানশিল্লক্লে। কাওনা মঙোন্দা মমায ওর্নশিল্লকপা মতমদুদা ঈীরানা অমুক থিঞ্জিল্লক্লে। অমমমতা লাম্বা তৌনরগা মবানীমক হাৎকে হায়না কাওনা খল্লম্বনি, অদুবু মবানীসু হৈ-শিংলবা চালাক ঙাক্তনি। মঙোন্দা তাঞ্জাদু পীখিদ্রে। অমুখক্তি কাও অদু য়াম্না শাউনা ঈীরাবু লোইশিল্লগে মতাগুম হোর্ৎচল্লকপা মতমদা মোতীনা নাকল্লোমদগী ফৈনা চেনশিল্লক্লগা কাওগী মবুক্তা মচীনা থিনখ্রে। কাওদু হেন্না শাউরদুনা মতুং ওছোরকপা মতমদা ঈীবানা অতোপ্পা নাকথংদুদা অমুক মচীনা থিঞ্জিনখি। মরাইবক থীরবা কাও অদো মমৈথংদদি ঈহং-নাইহং শানা শোক্লদুনা চেনখিরম্মী। মরূপ অনীনা মাবু ফনা লাপ্পা ফাওবা তান্নরম্মী। কাইনথংদা কাওদু চেনবা ঙম্লক্ত্রদুনা ৱাঙ্কদুনা তুখ্রে। মতম অদুতদা মবানীনা মাবু থাদোর্কপিবে।

মরূপ অনীদু লান জয় ওইরে হায়বগী বাগদা তাউদুনা চোং-ফন্দুনা চৎখ্রে।

খুদম্না তাকপা মরোন্দা মোতীনা হায়রকই - "ঐদি হৌজিক্কী কাও বুদুদো হাত্তোক্লসিরা খনবনি।"

হীরানা চৈহৎলদুনা হায়রকই - "মায়থীরবা শোক্লবা য়েক্লবদা মচীনা থিনবা হৌনদে।"

"পূম্নমক অদু মপাঙ্গোংগী তৌশিন্নবা মতাং ঙাক্তনি। য়েক্লবদি অমুক হন্না হৌগৎলকপা ঙমদনবা হাত্তোক্কদবনি।"

"হৌজিক য়ূম করম্না য়ৌগদগে, মদুদুম খল্লু।"

"অতৈ লায়রি, কবি-করিনো খর হান্না চাখিসি, অদুগা কোন্না খন্নসি।"

মবানীগী মমাঙমক্তদা হৱাইথবাক থাবা লৌবুক অমা লৈরম্মী। মদুদা মোতী চঙখ্রে। হীবানদি চঙদনবা থিংলম্মী, অদুবু মোতীনা মাগী মৱা অমতা তাবিখিদ্রে। হৱাইথবা ভু চখোম অহুম মবি ফাওবা চারম চাফাত্রিঙৈদা মীওই অনী চৈ পায়রগা চেনশিল্লক্লে অদুগা মরূপ অনী অদুবু কোয়শিল্লরে। হীরাদি লৌরিদা লৈবন্ননিনা নাঙ্গোকহৌরে। মোতীদি কমদৌনি খন্ন-খন্না লৌবুক্তা পৈহৌরে। মাগী মখোঙ খুজীন্দু অপেৎপা লৈখোমদা পুখখ্রে। মহাক চেনবা ঙমদ্রে। মাবু ফাজিনখ্রে। মাগী মরূপ অদু অৱাফম তাখ্রে হায়বা উরবদা হীবাসু অদুম হঙ্জিল্লক্লে। ফাবা তাববদি মবানীমক পূন্না ফারসনু খনখ্রে। লৌবুক ঙাকপশিং অদুনা মাবুসু ফাজিনখ্রে।

অযূক্তা মরূপ অনীমক কাঁর্জী হাউসতা (সবকারগী শন ফাজিল্লগা থম্ফম) থমখ্রে।

(৪)

নোংঙ্গানবদগী নুমিৎ তাববা ফাওবদা নাপী ইকা অমা ফাওবা ফংদনা শগং খাঙদুনা থন্বিবা মতাং অমা ৬সাদ মরূপ অনীগী মপুক্সিদা

অহানবা ওইনা থেংনররে। মসিবু করম্বা মপুনোনে ? মঙোন্দগীদি ফৎত্রবা গয়ানদুম হেন্না ফরে। মফম অসিদা ইরোই, হামেঙ, শগোল, গধা কয়ামরুম পুন্দুনা থম্লি অদুবু কনামতগী মমাঙদা চাননবা শজীক ইকা অমা ফাওবা তাদে। শন-শন পূম্নমক অশিবগুম লৈমায়থক্তা য়াম্ফক তাদুনা লৈরি। ময়ামদুগী মনুংদা শা খর'মদি মশা শোনমনখিদুনা লেপচবা ফাওবা ঙমদবা য়াওরে। নুমিৎ চূপ্পদুমা মরূপ অনীদু থোঙ্গাল্লোমদা মমীৎ কৃপ্তবমখে য়েংদুনা লৈখ্রে, তৌইগুম্বসুং শজীক পুরগা লাকপা মীদি কনাসু উব ফংখিদ্রে। মতাং অদু য়ৌরক্লবদুদদি মবানী ফক্লাংগী অয়াকপা লৈবাক্তু মরৈনা লেকপা হৌরক্লে, অদুবু মদুনদি মবানীগী চাউরবা মবুক্তু করম্না থনগনি ?

অহিংগী মতম য়ৌরবা ফাওবদসু চাননবা চীঞ্জাক অমত্তা ফংলক্লবদা হীরাগী মথম্মোয়দা লান হৌনীংবগী ব্রাখল অমা মৈরী থোক্লা চাওখৎলক্লে। মোতীদা হায়রকই - ''ভাঙ্গ মোতী ! হৌজিক্তিনে ঐ খাঙবা ঙমশিল্লক্লে।''

মোতীনা মরু লুকথনা খুম্লকই - ''ঐদি থব্রায় মঙাসে মপান থোর্কাখিদৌবা মাল্লক্লে।''

''ভাঙ্গ ! অদুক থুনা নীংহন্নগদবা নত্তে। মফমসিদগী নাল্লোক্তুনা চেনখিবা য়ানবা উপায় অমদি পুথোক্তবা য়াদে।''

''সিদা চঙশিল্লকউ ঐ ব্রা অমা হায়গে, ইবানী চঙদুনা ফক্লাংসি থুগাইরসি।''

''ঐদি হৌজিক করিমতা তৌবা ঙম্লরোই।''

''নপাঙ্গল কম্লী হায়না নাপল যাম্না তৌজবদুদি অদু ওইবেকো !''

''নাপলগা লোইনা মাঙখ্রেদা।''

শা-শঙগী ফক্লাং অদু ইচম চম্না লৈবাক্লা ব্রাই তৈবা ফক্লাংনি। চেশেংনমক ফনা মপাঙ্গল কনবা হীবানি। মানা মাগী মচীন তুম্লবা মচী তাদুনা ফক্লাংদা য়ুংশিল্লগা কন্না হেক খংঙ্গন ঈল্লুবা মতমদদি লৈবাক মপাক অমা কেল্লক্লে। অদুদদি মাগী থৌনা-লিংজেল অমুক্না ঈনোৎ

হাপখ্রে। মহাক্না চেনশিন-চেন্নশিল্লগা ফক্লাংদা দক-দক ব্রাইশিল্লন্মী অমসুং মা-া ব্রাইবা খুদীংগী লৈবাক খর-খরা অসুম কীহুরক্লে।

মতম অদুমক্তদা কাঁজী-হাউসকী চৌকিদার অদু মখুত্তা লালটেন অমা পুরগা। শা-শনশিং অদুগী মশীং হীবা লাক্লম্মী। হীরাগী ঙক কনবা লমহেনবা শাজং অদু উবদা মহাক্না হীবাদা শাজৈন। কয়ারক হন্না কনশিনবিরে অদুগা চাউরবা থৌরী অমনা। পুনশিনবিরে।

কূন্ন-কূন্না মোতীনা হায়রকই - "ভাঈ ! ননম চৈ চাদুনা তোক্লে, করি কান্নরেসে ?"

"ঐদি হেক ঙমজবী থাদুনা ফক্লাংসে থুগাইনবা হোৎনবনি।"

"হোৎনৈ হায়দুনা করিবু কান্নরিবগে ? হৌজিক্তি চাউরবা থৌরীনা হান্নদগী হেন্না চেৎনা পুল্লেদনা।"

"হান্নদগী চেৎনা কয়ারক হন্না পুনগে পুঞ্জসনু, ঐদি তোকখিরোই, অদুম হোৎনখিনি।

"অদুদি শিবা ভাবনি।"

"মদুগীদমক ঐ করিসু খন্দে। শিবগী ব্রাদি হোৎনদ্রবসু শিগদবা অদুম মরেরে। নঙসু অমুক্তং খন্দনা য়েংউ, ফক্লাং অসি হাংলবদি থাগায় কয়া হিংগদৌরিবনি। ইচীন ইনাও কয়া মফমাসদা পুনশিন্দুনা থম্লি' মখোযগী মশাশিংসে থবায় হামচৎনরবা ঙ'ঙনি। অসুম্না ফীভমাসিদা নুমিৎ হুম্নি-মবিনিগা লৈখবা তারবদি ঐখোয় পুন্নমক কংশি শিবা শোয়দ্রবনি।"

"হোয়, অদুবুদি চুম্মী। অদুদি ফরে সুমদৌরসি, নঙনা তৌরিবদুদা হন্দক্তি ঐসু য়াওশিল্লক্লগে।"

মোতীনসু ফক্লাং অদুদা ঙসাইগী মফম অদুমক্তদা মচীনা থিন-থিন্দুনা ব্রাইখায়রে। লৈবাক খরা তারক্লবদা মাগী থৌনা অমুক হেনগৎলক্লে। কনাগুম্না য়েক্লবা মশুং মমান্নবা অমগা কন্না লম্বা

পানবগুম মহাক্কী মচীনা অমুক্কসু থিন্দুনা ফক্লাংদু কীছহন্নবা হোৎনরক্লে। পূং অনীরোম পাঙ্গল-চাংয়েং তৌরবা মতুং কাইনথংদা ফক্লাং অদু মথক্লোমদগী খুদূপ অমরোম নীঙ্খায়বক্লে। অদুদগী হান্নদগী মপাঙ্গল শরূক অনী হেন্না পুথোক্তুনা অমুক ঈল্লবা মকমদদি ফক্লাংদু তঙ্খায়-অমা কেল্লক্লে।

ফক্লাং হেক কিন্থরকপদা থরেক্লনা শিরুম-নারুম তাদুনা লৈরম্লবা শা পূম্নমক মমীৎ--মনা খংশিং শিংগৎনরক্লে। লৈরম্বা শগোল অহুমদি খুরূপ থাদুনা খুদক্তা চেনখ্রে। মথংদা হামেঙশিং থোকখ্রে। মথংদা ইরোইশিংসু তপ্ন-তপ্না খোঙশানখ্রে, অদুবু অপঙবা গধাশিং অদুদি হান্নগুম মচী লেঙদনা অদুম লেপ্লি।

হীরানা হংলকই - "নবানীদি করিগী চেন্দ্রিবনো ?"

গধা অমনা হায়রকই - "ঐখোয়দি চেল্লবসু অমুক হন্না ফাবীগদবা লৈরে। অদুনা চেল্লুবগী করিসু কান্নদে।"

"মদুসু করিমতা কায়দে। হৌজিক-হৌজিক্কীদি চেন্নবগী তাঞ্জা অমদি ফংঙেদনা।"

"ঐখোয়দি কিজে। মফমসিদা অসুম্মক লৈহৌরগে ।"

অহিং নোংয়ায় হেনখ্রে। গধা অনীদু মতম অদু ফাওবা লেপ্লদুনা চেনসিরা চেনগুমসিরা খঞ্জানদুনা লৈবে, অদুগা সোমদা মোতীদি মাগী মরূপ হীবাগী থৌরী থদৎনবা য়াম্না কন্না হোৎনরি। থৌরী থদৎনবা হোৎনবদু সুকঙম ঙমদ্রবদা হীরানা হায়রকই - "ভাঈ ! নঙ চৎখ্রো, কৈদৌরুনি ঐদি মফমসিদা অসুম লৈহৌরগে। মতুংদা ইবানী অমুক উননি-উনরোই হায়বা তন্বা ঙমদ্রে।"

মোতীনা মীৎলুদা পিরাং পিরোইনরদুনা হায়রকই - "হীরা ! নঙনা ঐসিবু অদু য়ৌনা ইশাগীতা য়েংবা মরূপ অমা ওইনা লৌরবরা ? অসুক কুইবা মতমসে নঙ ঐ পুন্না লৈমিন্নরক্লে। অদুগা ঙসিদি নঙ খুদোংথীবা তাবে হাযদুনা নঙবু হন্দোক্লমগা ঐ তোপ্তান্না চৎখ্রো হায়বরা ?"

হীরানা হায়রকই - ''মখোয়না নঙবু য়াম্না ফবিরবনি। পুম্নমক অসি নঙগী লমহেনবা খুজীন-থৌরাংদগী থোক্লিবা ঙাক্তনি হায়বসি মখোয়সু খঙলগনি।''

মোতীনা চাউথোক্লা হায়রকই - ''নঙগী নঙক্তা চাউরবা থৌরী অমা থাংলিবগী ইবাল অদুগীদমক ঐ শাজৈ চারবসু করিমতা খন্দে। ইবানী চঙদুনা হোৎনবদগী ইচীন-ইনাও মাপন-তরাগী মথৱায়দি কলহৌবা ঙম্লে। মখোয় অদুনদি ঐখোয়দা শোয়দনা আশীর্ব্বাদ পীবিগনি।''

মসি হায়রম্লগা মোতীনা গধা অনী অদুবু মচীনা ঈন-ঈন্দুনা শা-শঙুদগী মপান্দা থোকহনখ্রে অদুগা মহাক্লা মাগী মরূপকী মনাক্তা চঙশিল্লগা তুমথখ্রে।

নোং হেক ঙানবদা কেরানী অমসুং চৌকিদাব অমদি অতৈ-অতৈ কর্ম্মচারীশিং মহৈ-মহৈ পুন্নাঙ লাঙনখ্রে, মদু পুম্নমক্তদি ইরুনগা মথৌ তাদ্রে। অদুম ওইনমক ময়াম অদুনা মোতীবু য়াম্না শাথানা ফনিংখ্রে অদুগা মাবুসু অচৌবা থৌরী অমনা চেৎনা পুন্দুনা থমখ্রে।

(৫)

মরূপ অনীদু মফম অদুদা চয়োল অমা চুপ্না পুন্দুনা খম্বিরে। কনা অমতনা মবানীগী মফমদা নাপী মকা অমা ফাওবা খাবিখিদ্রে। অদুবু হোয়, অমুক্তংদি ঈশিং পীথকখি। মদুনা মবানীগী হিংননবা পাম্বে ওইখি। মবানী অসুক্কী মতীক মপাঙ্গল শোঞ্জিল্লরুক্লম্মী মদুদি মমৈথংদা মবানী হৌগৎপা ফাওবা ঙমখিদ্রে, মবানীগী মশা অদ ময়াং কংবনা শরূ-পোলাংখক্তা মঙায়খ্রে।

নোংমদি শা-শঙ অদুগী মমাঙদা ঢোলমচা অমা যৈব। তারম্মী অদুগা নুমিৎযুংবা মতম অদুৱাইদা মফম অদুদা মী য়াঙ্খ্রে-হুম্ফু লাক্লুনা তিল্লম্মী। মতম অদুদা মরূপ অনীদু পুথোক্লম্মী অদুগা ময়াম অদুনা মবানীগী শাওঙ শাবান য়েংলম্মী। ময়ামদু মথং-মথং চঙলক্লুনা মবানীগী মশক-মওঙ য়েংলম্মী অদুগা মপুক্লীংনা পামদ্রদুনা

চৎনখিরম্মী। ''অসিগুম্বা শা-অশিবশিং অসিবু কনানা নৈবিগদৌরিবনো?'' হায়বগী মওঙদা মহৈ-মহৈ হন্নখ্রে।

ইখঙ-খঙহৌদনা মমীৎ ঙাঙবা, মকোই চোম্বা হেক উবদা য়াম্না শাথীবা নুপা অমা চঙলশিল্লকন্নম্মী অদুগা মরূপ অনীদুগী নীংদুদা কিন্না তক-তক থিল্লগা কেরানীগা ৱারী শানবা হৌখিরম্মী। নুপা অদুগী মায়থোঙ উবমক্তদা নুংগী জ্ঞান্দগী মীশক মুন্না খঙলদুনা মরূপ অনীগী থম্মোয় থক-থক নীক্লক্লে। মহাক কনানো অদুগা মহাক্না মবানীগী মশাদা মা-মাদুনা য়েংলিবদু মরম করিগীদমক্তনো হায়বা মবানী চিংনবা লৈতনা নীংথিনা খঙলে। মতম অদুদা মবানী অমনা অমবু য়াম্না কিনা য়েংনরম্মী অদুদগী মঙক লুকথখিরম্মী।

হীরানা হায়রকই - ''গয়াগী ময়ূমদগী করিসু কান্নদবদা চেল্লক্লে। হৌজিক্তি ইবানী হিংলরোই।''

মোতীনা ঈশ্বরগী মফমদা থাজদবা উত্তুনা হায়রকই - ''ঈশ্বরদি পুম্নমকপু থৌজানবী হায়নৈ। মহাক্না ইবানীবু থৌজানবিদ্রিবা করিগীনো ?''

''ঈশ্বরগী মফমদদি ইবানী শিব-চঙবা চপ মান্নে। হোয়, ফনদুম ফরে, ইবানী ঈশ্বরগী মনাক্তা নুমিৎ খরনি লৈকবা হায়বদুনি। নহানমুকসু ঈশ্বরনা নুপীমচা অমগী শক্তম লৌদুনা ইবানীগী থৱায় কনবিরকপনি। মতৌ অদুম্না হন্দকমুকসু কনাবরোইদ্রনে ?''

''ঐনা হায়বা কমদৌগে য়েংউ, নপা অসিনা ইবানীদা থাঙনা থিল্লক্লদৌরিবনি।''

''মদুগীদমক কবিগী ৱারিবনো ? ঐখোয়গী শদূম, শউ., মচী, শরূনচিংবা কায়াৎশিং অসি হীরম অমদা নৎত্রগা অমদদি শোয়দনা কান্নগনি।''

নীলাম লোইববা মতুংদা মরূপ অনীদু কোইজোম্না নপা অদুগা লোয়ননা চৎখিরম্মী। মবানীগী হকচাং-কায়াৎ খুদাং থক-থক নীক্লম্মী। মতু শোল্লবা শন অনীদু মখোঙ ফাওবা নীংথি নুংঙাইনা থাংবা

খোক্রুবনি, অদুবু শাহাৎপা কোইজোম্বদু কিমনবদগী তুরোই-ঙাল্লোই চেনচৎ চৎলম্মী, মরমদি মবানীনা খোঙচৎ খজিক্তং হেক তপথবদা নুপাদুনা মবানীগী মনঙ্গন্দা শাজেনা কন্না শেৎ-শেৎ থাজিল্লক্লম্মী।

লম্বীদা অসুম লাকপদা শনবী-শল্লাবশিংগী শল্লূপ অমা নাপী ইশং-শংনা হৌবা লমহাঙ অমদা শজীক চাদুনা লৈরম্বা মবানীনা উরে। মতু-মমান শৃৎ নান, মমীৎ-মনা তথক-তথক অসুম্না মফমদুদা লৈরম্বা শন খুদীংমক হরাউ-তয়াম্না লৈবা উরম্মী। শন অমনা চেন-চোংদুনা শান্নরি, শন অমনা নুংঙাইনা কূল্লগা শগুপ শায়রম্মী। মখোয়না লেপ্লিবা পুন্সি-মরেন্দু কয়াদা নুংঙাইরমগদবা অদুবু মখোয়দু কয়াগী মতীক মশাতগী য়েংলিবা! মখোয়গী মচীন-মনাও অনীদি শাহৎপগী মখুত্তা তাদুনা কয়াদা ৱাবিগবা হাযবসে মখোয় কনামতনা খঙবিদে।

মবানীনা অসুম য়েংবদা ইখঙ-খঙহৌদনা মখোয়না চৎলিবা লম্বী অদু মশক খঙবা লম্বী ওইনা উরক্লে। মানি শোয়দ্রে, লম্বী অসি ফাওদুনা গয়ানা মবানীবু পুরকখিবনি। লৌবুক অদুমক্লি, লৈকোল অদুমক্লি, খুঙ্গং অদুমক্লি - পূম্নমক চপ মান্নে। হৌজিক্তি মবানীগী খোঙচৎ অদু মীকূপ খুদীং য়াঙবা হেনগৎলক্লে। চোকথরম্বা, শোঙ্থরম্বা খিবিক মাঙখ্রে। "ওহ ! তূ য়েংউ, ঐখোয় লম্বী সোমদা লৈরে। ইবানীনা বালটাদা চিংখৎলগা ঈশিং শোকপা লাকখিবা গুহাদো অসিদা লৈরে। মানি, গুহাদো মসিমক্লি।"

মোতীনা হায়বকই "ঐখোযগী য়ূম নকশিল্লক্লে।"

হীরানা হায়বকই - "পূম্নমক ঈশ্বরগী থৌজান্নি।"

"হৌজিক্তি ঐ য়ূম য়ৌনবা চেনখ্রনি।"

"কোইজোম্বসিনবু য়াবিগদ্রনে ?"

"মাবুদি ঈছুবগা হেক্তা হাত্তোক্লগা লোইবে।"

"নত্তে-নত্তে। ইবানী ঐখোয়গী শঙ্গোন য়ৌনবা হেক্তা চেল্লসি। মফম অসিদগী মখা তানা ঐখোয চৎলনুসি।"

অসুম্না ঙাঙনরগা মবানীদু মঙাও থীবা শন্নাউগী মতৌগুম হবাউনা চোং ফন্দুনা ময়ূম তান্না চেনখিবন্মী। "তূ আদা লৈরে ঐখোযগী শঙ্গোন।" মবানী প্রপ প্রপ চের্নাশর্নাখিদুনা মবানীগী শঙ্গোন্দা চঙখ্রে অদুগা মফমদুদা লেপখ্রে। মবানীগী মতুংদা কোইজোম্বদুসু তান্নবল্লি।

মতমদুদা ঝূরী কোংঙ্খোঙদা ফল্লগা নুংশা য়াইদুনা লৈরন্মী। শর্নশিং অদুবু হেক উবদা মহাক চেনশিল্লক্লে অদুগা মবানীবু মথং-মথং কোনবিরে। মতমদুদা মরূপ অনীদুগী মীৎলুদগী হবাউবগী পিরাং শিঙ্খরক্লন্মী। শন অমনা ঝূবীগী মখুৎ লেক্লন্মী।

কোইজোম্বা নুপা অদু চঙশিল্লক্লগা শন অনীদুগী থৌরীশিংদু তাপ পায়খৎলন্মী।

ঝূবীনা হাযবকই "অনীসে ঐগী শন ঙাক্তনি।"

"কবি, মখোয় অনীসি নঙগী শন ঙার্ঙান হায়বা, মতৌ কবম্না ? শন অনীসি ঐনা কাঁজী হাউস তগী নীলাম লৌবগা পুবকপনি।"

"ওহ, ঐহাক্তিং শন অনীসে নঙনা হূবাল্লগা পুবকপা ওইবমর্গনি হায়না খল্লুরে। চো চো নঙ তূমিন্না চৎখ্রো চৎলু। শন অনীমক ঐগা ঙাক্তনি। মপু ঐনা যোল্লগা যোনগদবনি। কনানা কবি মতীক লৈদুনা ঐগী শর্নশিং অসিবু নীলাম তৌগদৌবিবা ?"

"অদুদি খঙগনি, ঐ পুলিস ষ্টেশন চৎলগা রিপোর্ট তৌরুগে।"

"অনীমক ঐগী শন্নি। মসিগী প্রমাণ হাযববু মবানীনা মখোঙনা থোংনা লাক্তুনা ঐগী শঙ্গোন্দা লেপ্পরিবা অসিনি।"

কোইজোম্বদু শাউনীংমনখ্রদুনা শন অনীদু নমদুনা ফারগা পুবগে খন্দুনা চঙশিল্লক্লন্মী। তাঞ্জা অদুমক্তদা মোতীনা মচীনা ব্রাইবন্মী। মদুদা কোইজোম্বদু মতুং হন্দোকখ্রে। মোতীনা মাবু কোযতান তান্নবন্মী। কোইজোম্বদু কোয়চেন চেল্লন্মী। অমুকসু মোতীনা মাবু তান্নরন্মী। খুনগী ঙমখৈ লাম্ভোবক্লবদা মোতী তান্নবা লেপখ্রে অদন কোইজোম্বদু

লেপ্লগা মাবু ঙাইদুনা লৈবস্মী। অবাপ্পা মফমদা লেপতুনা কোইজোম্বদুনা মোতীদা ধমকা তৌবক্লস্মী অমদি খোঙ্গী ঙাও ঙাওদুনা চৈবস্মী। মহাক্না নুংনা থাবক্লস্মী অদুগা সোমদা মোতীসু লানঙম ফীবাল থেৎলবা লাম্মী অমগুম মাগী লম্বী থিংদুনা লেপবে। নুংঙাইববা কুম্মৌ অসি উবদা নোক্লীংমনখ্রদুনা খুনগী মীশিংদু ফাক-ফাক নোক্লর্ম্মা।

কোইজোম্বদু মাযথীবদুনা হনখ্রবা মতমদা মোতী মখৌ পোঙনা হল্লক্লে।

হীবানা হাযবকই “ঐদি নঙসে শাউখিবদগী কোইজোম্বদুবু হাওোকপিবদ্রা হাযদুনা পাখৎলুববনি।”

“মাল্লি কবিগুম্বা ঐখু তেক ফাবব, মদু ৫ইববদি ঐনা মাব হাঙনা খক তোক্লোই।”

“হৌজিক্তি মহাক অম্বক লাক্লবোই।”

“লাকপা থোক্লবসু ঐনা মাব লাপ্পইঙদগী চেং [illegible] পাগনি। মানা ঐব ফাবগা কবম্মা পুবা [illegible] হাযবদ [illegible]।”

“মানা [illegible] কাপ্লক্লবদ [illegible]”

“মদুদা শিবগা শিংবদনা, অদুগ মাগী থনঙদাদ [illegible] চৎলোই।”

“ঐ খাযগা থবাং [illegible] খননি পোং নত্তে।”

“মদ কবিগী [illegible] হাযবদ, [illegible] পুক [illegible] মতা তাসদগানি।”

[illegible] হৈত্তাক লৈবগা [illegible] চব, [illegible] হাপ্পিবগ অদদ [illegible] চামল্লখ্রে। মখোযগী মনাঙগা লেপতুনা ঝুবা। [illegible] মশাদ [illegible] অদুগ। খুনগা অতাং কুনাম্বুরু। কুম্মৌ অদু [illegible] ডাইনা যেপাল। খুন অপুম্না হবাউ মানাক তম্লকপগুম উদে।

মতম অদমঙদা ঝবাগা [illegible] চঙশিল্লক্লগা শনা অনীদুগা মবাইবঙা চুম্লাখ।

* * * * * * * * * *

মানসৰোবৰগী কাংঙা

(মানসৰোবৰ কে হংস)

অম্না, হৌজিক চিঠীদা ইনিংঙাই ৱাহৈ থোইনা লৈরক্তে, অদুগা মসিগী কান্নববু কদায়দা লৈরিবগে? চিঠী কয়ামরুম ইখি অদুগা সমুদ্রদা থাদখি যৌরমগদরা য়ৌরম্লোইদরা খঙদ্রে। পাউখুম ফংলরোইদবা চিঠীদু অমুক থারুবগী করিবু কান্নরি। ৱারী অমদি চিঠী ইবা হাযবসে হৈরম অমখক্তনি, হৈরম অমখক্তবুনি ৱারী হায়না কৌনবিবসু। মীপুম খুদিংগী অৱাবদি তোঙান তোঙাল্লি, অদুবু অৱাবা মাযরোং য়াবদুদি চপ মান্নে। নহাক মীটিংশিংদু চৎলমগদরা চংলমলোইদবা খঙবা ঙমদ্রে, নঙগী মরুপ মপাংশিংদু কদায় কদায়দা লৈখ্রবগে? কনানোম্মদি ফাখ্রে হায়না খবরদা থেংনখি। হৌজিক্তি ময়ামদো লোয়নমক অমগা তম্নগা কাযনবল্লগনি। নঙসু কদায়দা কযাম থাপ্না লৈখ্রবনো তাযবদ চপ চানা হায়বা ঙমদ্রে। শুপ্নতগী ৱাফমদুখক্তং হযা-হন্না নীংশিংলকই ঐখোয়না ফংখিবা মতম খতিক্কুংদ নত্তনা, মদুদা অতেংপা ৱাফম অমা খন্নবগী মতমদবু কদাযদা লৈখিবগে, অংগোম্পা বাফমদুদগী হেন্না লৱা অৱা পোৎলমদুদি মতাংসিদসু লোযনা নাইদ্রি। পাটি কয়ামকম্দ মাযকৈ শিনবা খুংনা লৈখ্রে, কদায় ফাওবা তাক্লে 'নঙ' উমগদৌরি...

নহাক তশেংনা নাংশিংলহৌসু যাও, নোং চুবকপদা খুদিংমক নৌহৌননা নীংশিংলকই, নীংশিংবা কযাদুবু খল্লবগা পুক্নিংনে খোযরাংহল্লি হাযনা নশাম্মক্না চিঠী অমা ইদুনা খঙহল্লকখিবনি। নোংজু থাগী অহিংনি, ঐহাক মৈনপুরাদা লৈবা মতাংনি। খুদিংমক্কো তশেংনা ইমাংদা শংশং উবগুম তৌবি। অহিংদু শুক্রা মন্নম্মী। অমনবা য়ূম অমদনি, য়ুমদু হৌজিক ফাওবা নহাক্তি উরমখিরোই। ঐহাক থাডৈমে মচা অমা থাল্লগা ফমদুনা লৈরম্মী অদুগা কোত্লিং কারবা যোংচৈদুগী মপান্দা নোংনা চোৎলবা মীশক অমা লেপ্তুনা লৈবদু উরকই। মহাক্না ঐঙোন্দা করিগুম্বা খবা হংবগুম

তৌরি। ঐহাক মহাক্কী মরোলদু ফজনা তাবা ফংলমদে। থোঙ হাংদোক্তুনা ঐহাক্না মীশক্তুবু মুন্না য়েংলম্মী - মহাক্তো অহল ওইবে। লম্বোইবদৌনা ফিভমসু কায়রে। শোল্লবা অহল অদু মৈনা কারুম কারুম তৌরবা_অশিবা হকচাং অমনা মোংফমদগী হৌগৎলগা লাকপগুম উরে। য়ুমগী নম্বর থারিবদু য়েংলগা মহাক্না য়াম্না তপ্না হায়রকই - "মসিবু য়াম্বুং জগদম্বেগী য়ুমদুরা ?"

নহাক ঙকপসু য়াই ঐগী পাবুংগী মমিংদুবু মসিরা হায়না হংলকপদা পাবুংগী মমিংদু ঙাইহাক্তুংদি ঐহাক নীংশিংবা থোক্লমদে। ঐহাক পাবুংগী মরমদা খজিক্তা ফাওবা নীংশিংবা ঙম্লমদে। ঐনা পাবুংবু অঙাং পিশক ওইরিঙৈদা উরম্বদি য়াই অদুবু ফজনা নীংশিংবদি থোক্ক্রে।

ঙাইহাক লৈরগা পাবুংগী মমিংদু খঙনিং নীংশিংলক্তুনা খঙহৌদনা খুম্লমই - "অহোয়, মসিনি। অদোম্বু কদায়দগী লাকপীবনো?" "তিবত্তগীনি।" মাঙদা লৈরিবা গলীদগী লাকপগুম মহাক্না য়াম্না লায়না খুম্লমই অদুগা হান্নগুম্না হৈনিংবা ইপোক পোক্তুনা হংলকই - "নহাকপু কনানোনে ?"

মাগী ব্রাহংদু ঐঙোন্দা য়াম্না হৈনদনা থোক্লম্মী, অদুবু মহাক্না হংলিবদুদা থোইদোক্না মপুক্লিং চঙবগী মওংদি উরমদে। মঙোন্দা মুন্না য়েংলগা ঐনা খুম্মী - "ঐহাক মাগী মচানুপা অতোম্বনি।"

অসুম্না মচানুপানি হায়বদুদা মহাক অমুক মখা তারক্লে। ঙাইহাক লৈরগা তপ্না অমুক হংলকই - "য়ুমদা অতৈ কনা-কনাদি লৈ?"

"ইমা লৈ" - ঐনা খুম্মী।

"মহাকপু অমুক্তং কৌথোরক্লেরা?" - মহাক্না হায়রকই।

অদুগা ইমানা মপান্দা থোরকপদগীদি খুদিংমক মিনিট অমগী মনুংদা ঐ জ্ঞান তারকই। অহল ওইরবা নুপাদো ঐগীদি ইখুড়ানি -

খুড়াইবুংঙো সেনাপতি। চাউরাক্লা চহি ৩০গী মতুংদা তিবত্তগী হল্লকখিবনি। মহাক মফমদুদা বৌধ ওইখ্রবনি। দলাই লমাগা লোয়নন। তিবত্তগী চেল্লকপা মরক্তুদা মহাকসু য়াওদুনা ভাগও। লাকখিবনি। মহাক্কী থায়নগী ব্রারীশিংদু নোং মরক্তুদা মহাক নীংশিংলক্লম্বসু য়াই।

মহাক ভারতকী নাগরিক অমা হায়বদুদি ওইদ্রে। হৌজিক্তি মহাক্কী লৈবাকসু লৈত্রে, ময়ুমসু লৈত্রে। মহাক ঐখোয়দা করিগুম্বা খরা পীবা লাকপসু নত্তে, লৌবা লাকখিবসু নত্তে, শুপ্নতগী লৈহৌরিবশিংদু য়েংবা লাকখিবনি। মহাক ফিলোসোফর অমগুম্না ব্রারী শারর্ম্মী। চহি ৭০দগী হেন্না অহল ওইজরবসু মঙোন্দা করিমত্তা নাচুংলমদে, মহাকসে মায়থীবা মীশক্তি নৎলমদে, অদুবু নীংঙমদবদি পোক্লর্ম্মী।

অন্না, নঙগা নঙগী মরুপশিংসু মায়থীবা নত্তে হায়বসি ঐহাক মুন্না খঙঙি - ঐখোয়শিংসে ওৎপি নৈবীরবনি - নোংমৈ মরূশিং, মীফা-মীপুন অমদি অমুবা আইনশিংসিনা।

যুম্নীগী মভৌগুম চপ যুংনা মায়কৈ মরিমক্তা, নমথাক লৌনম কয়ানা তমথীবা নোং-নুংশিৎকুম য়ুমথোং খুদিংদা নৎত্রগা অমম্বগী মশক ওইনা শন্দোকখ্রবনি। করি তৌবা তাবগে অন্না ? নহাক কদায়দা লৈখ্রবগে হায়বদু ঐহাক খঙবা ঙমদ্রে - করি ফিভমদা লৈরি।

মতমদু নহাক নীংশিংলিবা নৎত্রা ঐনা হকচাং ঙমদদুনা লৈখিবা - মতাংদুদা নঙনা হায়খিবনি - "ঐগী থম্মোয়সিনদি হায়বগুম তৌরি, ঐখোয় অনীগী নুংশিনবসি অদুম মখা চথবদি চুম্বনি, অদুগা নুংশিনবা হায়বসি কয়াদা পুকচেল পীকখ্রবা মতৌনো। পুক্লিংদা হরাও তয়াম্বা পোকপসু ঙমজদে, হকচাংসিনা মনীং তম্বসু ফংজদে ... অসিগুম্বা লানফমসিদা ঐখোয়ন৪া শরুক য়ারগা, মদুগী মরক্তুদা ইশাগী ওইনা নুংঙাইবা থিবা হায়বসিদি হুরানবগী থবক্কা চপ মান্নে। মসিদি ঐখোয়গী অধিকার নত্তে হায়না খল্লি..."

চুমদ্রনে অন্না, ঐখোয়সে ভারতকী নাগরিক নত্তবগুম্না অসুম্মক শিবা তাররা ... করিনো তৌরিবা ময়ামসিবো ? ঐখোয় কনামত্তা করিসু তৌবা ঙমদনা শিবা তাররা ?

খুড়াইবুংঙো সেনাপতিগী ৱারী তারবদি নহাক তুজুংবা পোক্কনি। মাগী ৱারীসি ময়ামগা মান্নদবনি, ঐখোয়গী ৱারীগা মাগী ৱারীগা ঐখোয়গী মতমগা মাগী মতমদুগা... অদুবু মাগী ৱারীদুদি তশেংনা শাওনিংলম্মী।

নহাক্তি খঙলমদবসু য়াই, ভারত নীংখা তমদ্রিঙৈগী মমাঙদা ঐখোয়গী অপীকপা সহর অসি তঙ্খায় অমদি মীখা পোনবা রাজ্য ওইরম্মী। মতম অদুদা বৃটিশ গভর্নরগী মখাদা লৈরম্মী। অদুবু অপীকপা রাজ্যসিনা নোংমদি লালহৌবা ওইরকপা য়াবা অমদি নীংখা তম্নবগীদমক মৈরা পায়দুনা লেপ্লক্কদরা হায়না অংগ্রেজশিংনা মতম অয়াম্বদা চিংনরম্মী।

লালহৌবা গেন্দালাল দিক্ষিৎতগী শিবাজী সমিটিদু মতমদুদা মপাঙ্গল লৈনা থবক তৌরম্মী। মৈনপুরী অসি লালহৌবশিংগী লমদম ওইখিরম্মী। 'মাতৃবেদী' অমসুং 'শিবাজী সমিটি'গী মেম্বরশিংনা ঙসি ঐখোয়না অমদি ঐখোয়গী মরুপ-মপাংশিংনা তৌরিবা থবকশিংসে মতমদুদা মখোয়না লোয়না তৌরম্মী।

অংগ্রেজশিংনা মখোয়না লৌভুনরিবশিংদু খঙলম্মী অমসুং সোমদেবনা মথৌনা ফরবা অংগ্রেজশিংগী শক্তি ওইরম্মী, অদুদগী রামপ্রসাদ বিস্মিল চেনখ্রে অমদি গেন্দালাল দিক্ষিৎসু কোটাগী মায়কৈদা চেনখ্রে। মতাংদুদা খুড়াইবুংঙো সেনাপতি রাজ্যগী লান্মীদা হবিলদার ওইবম্মী। বৌধদি কোন্না ওইরকখিবনি।

অংগ্রেজগী লান্মীনা লালনবন্দু মায়কৈ মরিমক্তা কোযশিল্লম্মী। লানদু কন্না শোক্লরম্মী অমদি লান তৌনা তৌনা নিংথৌদু বনারসকী মায়কৈদা চেনখিরম্মী। ঐখোয় পাবুংদু নিংথৌগী মশিং য়ামজদ্রবা লান্মী মরক্তুদা পুকচেল শেংনা য়াওরম্মী।

মমৈথংদা মহাক লান্দা মথ্বাই থাখ্রে। অদুগা নিংথৌসু অংগ্রেজশিংনা ফাজিনখিরম্মী। রানী অতোম্বীনা থুনমক অংগ্রেজশিংগা সন্ধী তৌনরম্মী অদুগা খুড়াইবুংঙোসু অংগ্রেজগী মায়কৈদা লৈখ্রে।

মতমদু অকিবা ফংলবা নোং-নুংশিৎ শিৎপা মতমগুম্বনি অম্না। লানবন্দা অংগ্রেজশিংনা চখোক-চৎশিন তৌবা অমদি মখোয়বু ওকপগী হরাও কুম্নৈনচিংবা পাঙথোক্লম্মী। রাজ্যগী লান্মী খুদিংমক্কী খুৎলায়শিংদু অংগ্রেজশিংনা ফাজিল্লম্মী। রানী অতোম্বীদা লৈবাক ঙাকপগী অধিকার শিন্নরম্মী অদুগা লান্মী চাম্মখক লানবন ঙাকশেন্নবা অমদি রানীবু ইকায় খুম্নবা ওইনা থল্লম্মী। তশেংবমক্তি সিফাই চাম্মগী লান্মীশিংদু শুপ্নতগী মীয়ামদা উৎননবা ওইরম্মী। মখোয়দুবু ঐখোয়গী রাজ্যগী মীয়াম্না 'সলাম তৌনবা লান্মী' হায়না খঙনরম্মী। সলাম তৌনবা লান্মীদুগী খুড়াইবুংঙো সেনাপতিনা লুচিংবা ওইরম্মী। নোংমদি খুড়াইবুংঙোদু অংগ্রেজগী মেডল থেৎতুনা অমদি ফিজোল শেৎলদুনা য়ুমদা লাক্লম্মী। মঙোন্দা লৌ-ইখোল কয়ামরুম পীরম্মী। লানবনগী মনাক্তা বঙ্গলো অমসু ফংলম্মী অদুগা রানী অতোম্বীগী মেহন্দিনা লুপ্নবা ফমুংদুসু ফংলম্মী।

মহাক্কী খোঙচৎতু অকিবগী মশক্লি। খুড়াইবুংঙো সেনাপতিদু অভিষেক তৌদনা নিংথৌ ওইরম্মী। মহাক য়ুমদা লাকথোক-লাকশিন তৌবসু লেপখ্রে। তশেংবমক্তি য়ুমদুদি ঐখোয় পাবুংগীনি মহাক্তি অংগ্রেজশিংগা লানথেংনবদা মথ্বায় থাখ্রবনি।

ঐহাক ঙসিসু নীংশিংলি অন্না, ঐখোয়গী ইমুংদা কনানস্ খুড়াইবুংঙো সেনাপতিব্ মমিং ফাওবা পন্নরমদে, মাগী মরমদা ঙাঙনবা ভারবসু শুপ্নতগী মাবু তুক্কৎচবা, হঙ্গোয়বা অদুখক্তনি। খুদিংমক্তো ইমানা ঐঙোন্দা লিখিবনি - নুমিৎ অদুদা খুড়াইবুংঙো সেনাপতিদু নোংনা পৃল্লুপ লৃপ্লদুনা লাকখিবনি।

"ইতৈমা, ঐবু মশক খঙলিব্রা ?" খুড়াইবুংঙো সেনাপতিনা ইমাবু উরগা হাযখিবনি। ইমাগী মায়থোঙদা হঙ্গোইবস্ অমদি নীংঙমদবস্ পোক্লম্মী। চহী ৩০গী শাংলবা মতমসিদা মহাক

মবুক তপ্পী, শাওগন্দবী নুপী হায়বদু ওইখ্রবনি। অদুম ওইনমক করেম্নরদুনা ইমানা অহানবা ওইনা ব্রাহংসি হংলম্মী - "নহাক্কী অংগ্রেজশিংনা পীবা মেডল অমদি থাংশাংদুদি কদায়দা লৈখ্রে ?"

খুড়াইবুংঙো সেনাপতিদু হাইরপতং ইমাদা য়েংলম্মী অদুগা মরু লুকথদুনা ফমথখ্রে।

ইমানা অমুক হন্না করেম্নরম্মী - "নওনা খওলিবদুনি ইবুংঙো সেনাপতি হৌজিক্তি অংগ্রেজশিংদো চৎখ্রেদো। অদুনা মফমসিদা হৌজিক্তি নহাক্কী মী কনাসু লৈত্রে। নখোয়গী মীয়ামদু দিল্লি অমদি লক্ষ্ণৌদা লৈরি, মখোয়না হৌজিক লৈবাক ঙাক্লি .... নহাকসু মাঙলমদ্রবদি লৈবাক ঙাকপগী হিরমদা শরুক য়ারমগদবনি। মফমদুদা চৎখিবনা হেন্নদুম ফরগনি, সিদবু করি লৈরিবগে ?

ইমাগী ব্যবহার ব্রাঙাং শঙাংদু ঐহাক ভাব তাবা ঙন্রমদে। খুড়াইবুংঙো মাঙখিবগী ব্রারীদু ঐদি খওলমদে। অদুবু কোন্নদি খুদিংমক খওবা ঙন্নম্মী।

"মসি নয়াম্বগী মচানুপা ইতোন তোম্বনি। য়ুমসিগী পারী-পুরীগী চৎনবীদু হৌজিকসু মাঙদ্রি। মহাকসু মথ্বাই খূবাক্তা হাপ্তুনা কোয়চৎ চৎলিবনি। লৈবাক হোংদোকপখক্লা করি কান্নগনি"... ইমানা হায়রম্মী অদুগা ইমাগী অসিঙস্বা নাপল অমদি জ্ঞান লৌশিংসিবু কদায়দগী লাক্লিবনো হায়না খল্লম্মী.... মহাক্তি অসুম্না রা অমুক্তসু ঙাঙদবনি।

"ইতৈমা" .... খুড়া সেনাপতিনা হায়রকই, "হায়বীনিংবা খুদিংমক হায়বীয়ু .... খুদিংমক তুমিন্না তাজগনি। পুক্লিংসে অসুম্না লৈতাফম খওলম্লবদি মানসরোবরদগী হল্লগা লাক্লমখিগদরা ? করিগীদমক বৌধ ধর্ম্মদা চঙলুরিবনো ? অদুগা চহী অসুক কুইরবা তুংদা দলাই লমাগা লোয়ননা পোক্লফম লমদমসিদা করিগী হল্লক্কদৌরিবনো ?"

ঐহাক তশেংনা জ্ঞান মন্নম্মী। খুড়াইবুংঙো সেনাপতিনা সলাম তৌবা লান্নীগী লুচিংবা করম্না ওইখিবা। রানীগী অরোনবা মপুরোইবগী শক্তম লৌখিবা, মতুংদা অমুক মানসরোবরদা চৎখিবা অদুগা মানসরোবরদগী অম্যক চৎখিদুনা তিবত্তা মাঙখিবা। বৌধ ধর্ম্ম চৎখিবা, চাইনিজশিংনা লান্দারকপা অমদি কোয়শিনখিবদগী তিবত্তগী দলাই লমাগা লোয়ননা চেল্লক্তুনা ইরৈবাক্তা হল্লকখিবা.... খুদিংমকসে শাংখ্রবা রারী অমদি অন্না... লমথাক লৌনম খরা, কথোকপা, হকচিন্না নুংশিবা, থাদোকপা, জ্ঞানগী লম্বীদা অমুক হঞ্জিনবা হায়বদু ওইখি অদুগা ঐখোয়বুদি নমথাক তৌখি।

ঐখোযসে খুড়া সেনাপতিনা নমথাক তৌবীখিবা মানসরোবরগী কাংঙাগুম্বনি অন্না. মীবু নমথাক তৌরবা মতুংদা বৌধ ওইগে ওইযু, লম্বোইবা ওইগে ওইযু ... করি কান্নগনি ?

মতমদু লালহৌবশিংনা মথ্বায় খুবাক্তা হাপ্তুনা লাম্লেংনবা মতাংনি, অদুগা খুড়া সেনাপতিনা রানীগী শঙ্গাইদা হরাও মথোই কাবা মতম্নি। অংগ্রেজ কম্মিস্নার নংত্রগা কলেক্টর লাকপা মতমদা শুক্লনবা সলাম তৌনবা সিফাইশিংদু ফজনা লৈহল্লম্মী অদুগা সলাম তৌরম্মী। লালহৌবশিংদুবু সিফাইশিংদুনা তান্ন-তান্নদুনা হাৎলম্মী অদুগা প্রজাশিংবু নুংঙাইনা অমদি লল থুম মরাং কায়না লৈহন্নবগীদমক্তি হায়না মীয়ামদা থাজবা পীরম্মী। থৌনা ফবা অংগ্রেজশিংনা তপ্না-তপ্না ঐখোযবু ইরোমদোম লেপচবা ঙম্নবা মতুংদা চৎচখিগনি অদুগা ঐখোয়না নীংখা তম্নবগী লম্বীদা অপনবা পীদুনা লৈরে হায়বসিনি....

অসুম্না ইরমদমগী করিসু খঙজদ্রবা প্রজাশিংবু নমথাক তৌবীরম্মী। খুড়া সেনাপতিনা মানসরোবরগী কাংঙাশিংবু নমথাক তৌবীখিবা অদুগুম্বনি।

রারীদু অকিবা থৌদোক অমনি অন্না...। নমথাক তৌরবা মতুংদা অমুক করি কান্নরিবগে ? নিংঙমদবা ফোঙদোক্লবস্ নংত্রগা তৌনীংবা অমা তৌববস্... কাংঙাশিংদুদি অমুক হিংগৎলক্লরোই

রানী অতোম্বীদু খুকউ-তাং চীকপগী লায়নানা নারম্মী। খুড়া সেনাপতিনা মাগী অশেংবা নুংশিবদু উৎপা পামজরম্মী। করিগুম্বা কাংঙাগী শাদোং ফংবা তারবদি রানীগী লায়নাদু মরু ফংনা মূথৎপা ঙমগনি হায়না সনা কোনুংগী মাইবদুনা ফোঙদোক্লম্মী। খুকউ-তাং চীকপা অমসুং কাংঙাগী শাদোং !

নহাক জ্ঞান তাবা ঙন্নিব্রা অন্না ?

- অদুদগী খুড়া সেনাপতিনা সিফাই তরুক্কা লোয়ননা মানসরোবরগীদমক খোঙশাল্লম্মী। থা খরগী মতুংদা মখোয় মানসরোবরগী পাৎতুদা থুংলে। নোংমৈ পায়দুনা অমদি সিফাইগী ফিজোল শেৎলগা চৎখিবনি। মানসরোবরদা উনগী মতুমশিংদু কাংঙাগুম্না ঈশিংদা তাওরম্মী অদুগা কাংঙাশিংদুনা উন মতুমগুম্না ঈশিংদা চাক্তারম্মী।

মখোয়শিংদু হাৎপদি লায়রম্মী অদুবু হিংনা ফাবদি লুরম্মী। সলাম তৌবা লান্মী মখোয় তরেৎমক লান্মীগী ফিজোল শেৎভুনা য়াম্না কুইনা মানসরোবরগী মপান্দা কোয়চৎ চত্তুনা লৈরম্মী। কাংঙাশিং অদুবু থেম নৌদুনা কৌরম্মী। অদুগা কাংঙাশিংদুদি ঈশিং ময়ায়দা ঈরোইদুনা লৈরম্মী ... সিফাইশিংদুনা এইম ভৌরম্মী, অদুদগী কাংঙাশিংদু ঈশিং ময়ায়দা পূল্লপ তাশিন্দুনা লৈখিরম্মী অদুগা তনৌ তনৌরবা মঙকশিংদু তিংথোক্লদুনা নুংশিরবা মমিংশিংদুনা সিফাইশিংদুদা কিনা য়েংলম্মী।

"নোংমৈনা কাপ্লদি কান্নরোই।" খুড়া সেনাপতিনা হায়রম্মী।

"করিগী ?" - সিফাই অমনা হংলম্মী।

মখোয়শিংসি পাৎয়ায়দা শিরনি। কনানা খুনবা চৎকনি। 'অদুদি করি তৌগনি ?'

নীংবা কায়রদুনা লান্মী তরেৎমক হল্লক্লম্মী। টেন্ট খল্লিবা মফমদুদা পোখারদুনা মখোয় ব্রাখল তৌদুনা লৈরম্মী অমদি মথঙগী নুমিত্তা অয়ুক্তা মখোয় মানসরোবরদা অমুক চৎখ্রে। কাংঙাশিংদু হান্নগুম্না পাৎ ময়াইদা ঈরোইদুনা শান্নরম্মী।

মখোয় তরেৎমক পাৎ মপান্দা ফমদুনা লৈরম্মী অদুগা ঙাইহাক লৈরগা কাংঙাশিংদু থাজরদুনা তোর্ব্বাল্লোমদা লাকপদু মখোয়না উরম্মী। মখোয়না পাৎ মপান্দা লাক্লগা মখোয়গী মশাশিংদু ফৎ-ফৎ খপ্লম্মী অদুগা থোৎ নৌরবা মঙক্কু তিংথোক্লম্মী। অদুদগী মখোয় তরেৎতুনা কাংঙাশিংদু ফারম্মী, অদুগা মখোয়গী মঙক্কু লৈথৎলগা রানীগী তাং চিকপগী লায়েংবগীদমক মখোয়শিংদু নমথাক-লৌনম তৌবা মীশক হায়বদু ওইখি।

অকোনবগী মতাংদুদি মখোয় সিফাইগী ফিজোল শেৎলমদে, সাধুগী ফিজোল শেত্তুনা লাকখিবনি অদুগা কাংঙাশিংদুবু নমথাক তৌখিবনি।

খৌদোকসিগী মতুংদা খুড়াইবুংঙো সেনাপতিদু মফমদুদা মাঙখ্রে। অদুগা তিবত্তা চৎলগা বৌধ ধর্ম্মদা লাইমিং লৌখিরম্মী। অদুগা চহী ৩০গী মতুংদা ভারতকী নাগরিক ওইদনা হল্লকখিবনি। খুড়াইবুংঙোদু শিংঙমদা মৈচাক্লা থম্মোয়দা চাক্লম্মী ... নীংবা কায়বগী মশক ওইরবা শেংলবা ফিজোলদু শেৎলদুনা, অদুগা মদুনা করি কান্নগনি অন্না ? মর্সিদি ইতোপ তোপ্পা, ময়ামগা মান্নদবা ব্রারীনি, কনাগুম্না মীওইবগী ব্রাখল্লোন্দা ঙাওজবা অমদি ফজবগী ব্রাখল্লোনবু পামজবা, ব্রারী লীবা হৈবা মীশক অমনা নঙোন্দা লীদুনা তাহনগনি.... মদু ঐগীদি ইতিক নৎচদে অদুগা ঐগী মতমসু লৈজদে...।

* * * * * * * * *

শকখঙনবা সহরগী স্ত্রী

(অপনে শঙবকা আদমী)

নুমিৎতু মহাক নীংথিনা শূদোক্লবা পাজমা অমদি মোজা ফুরিৎ খূদাঙ তক্খায় য়ৌবা অমা লীৎলম্মী। মাবু খুরুম্লগা ঐনা খুরাতোম্না পীরকপা চিঠিদু মঙোন্দা লানশিল্লম্মী, অদুবু মহাক চিঠি হাংদোক্কুনা পাবগী মহুত্তা ঐঙোন্দা মুন্না য়েংদুনা লৈরম্মী। করিগুম্বা মহাক্না খরা কুইনা অসুম য়েংদুনা লৈরম্লবদি ঐহাক মফমদুদা লেপ্পা ঙম্লমদবসু য়াই। অদুবু মতাঙদুদা মহাক্না চিঠিদু হাংদোক্কুনা পাবা হৌরকই। ঐহাক য়াম্না লাঙতক্লনা মঙোন্দা য়েংদুনা লৈরম্মী।

ফরে - ফরে ... অদুদি নহাক জগদীশকী মচানুপা ওইরে...! চিঠিদু থুপচীল্লদুনা মহাক্না হায়রকই।

নৎচদে, ... মাদি ঐগী ইখুরানি। ঐগী পাবুংগী মমিংদি রামনারায়ন...!

ও, অদুদি মাদি শিখিবা কুইরম্মনি...। মহাক্না ব্রা মরক থৎলদুনা হায়রকখিবনি।

... শিদ্রি, পাবুংদি হৌজিকসু হিংলি। ... মহাক স্কুল অমদা ওজা ...।

ইহে... ইহে ... হৌজিক হিংলিবোইরে। মহাক্না অসুম্না কয়া হৈনীংদনা হায়কই, পাবুং হিংলি তাবদা মঙোন্দা নুংঙাইতবা পোকপদৌনা তৌরম্মী।

... তশেংবমক্তি ঐহাক লমদমদুগী মরমদা মুন্না খঙবসু ঙমদ্রে... মহাক মপূক্লীংদু চরাঙনবগী মওংদা হায়রকই - চংথোক-চংশীন তৌদবসু কুইরে... মফমসিদা লৈবসু য়াম্না কুইরেদো...।

অদুম ওইনমক ঐঙোন্দদি সহরদা লৈবা খঙনবা মীশক অমা থেংনবসিদা য়াম্না নুংঙাইবা পোক্লিবনি। মহাক খঙহৌদনা

তৃমিন্না লৈখ্রে, করিগুম্বা ব্রাখল অমদা লূপ্পগুম তৌরম্মী। কুইরবা থায়নগী খুঙ্গংগী ব্রারীশিংদুদা মহাক লম্মুক্লরন্বসু য়াই অদুগা মশামক্না লৈরিবা শহরদুদা অমুক হল্লক্কুনা নীংশিংলক্লন্বসু য়াই। অদুবু মীকৃপ অমরোমদি মাগী ব্রাখলদু মফমসিদা লৈতবগুম তৌরুরে হায়বা ব্রাফমসিমদি তশেং- তশেংলে।

মাবু অমুক লৈরিবা ফীবমসিদা লাক্লবগী পান্দমদা ঐনা হায় - রমন্দা তম্মু, ঐনা মাবু হায়স্কুলদা চহী অনী ইতিহাস তম্বীখিবনি হায়না ঐগী পাবুংনা ঐঙোন্দা হায়রকই। মতাঙসিদা ঐনা থওইনা মীনম্বা ঙাংথোকখ্রে। তশেংবমক্তি পাবুংনা ঐবু মাগী মনাক্তা চৎখিনু হায়না কন্না থিংখিবনি। করিগীনো খঙদে, মাগী মমিং তাবদা হেক্তা শাউই। খূরাভোন্না ঐবু নমদুনা মাগী মনাক্তা থারকখিবনি। মখোয় অনী চহী মরি চুপ্পা কলেজগী হোষ্টেলদা লৈমিন্নখিবনি।

ইহে, বা... বা...! অদুদি নহাক ওজা রামনারয়ণগী মচানুপা ওইরে...। হন্দকমুক্তি মহাক খরা চেকশীন্না হায়রকই - অদুবু মহাকপু কবমকান্দা লূহোংখিবগে...? মতাক্তি ফিদম্লীংঙাই ওইবা মীশক অমনি... মীখা পোল্লবা লৈবাকসিদা মীনায় অমুক পোক্লবগীদমক্তা লুহোংলরোই হায়না মীয়ামদা ব্রারা তৌখিবনি। ... মমৈথংদা মহাক লুহোংলবোইরে... মহাকপু করম্বা মতমদা লুহোংখিবগে ...?

মহাক ঐঙোন্দা মূন্না য়েংদুনা লেপ্তুনা লৈরম্মী অদুগা কান্নদ্রবা ব্রাহংশিংদুনা ঐগী মায়দা খোৎপগুম হৈনরমদে।

ঐগী পাবুংনা করম্বা মতমদা লুহোংখিবগে... করিগী অসিগুম্বা তৌহৈদ্রবা থবকসি তৌখিবনো, মসিগী পাউখুম ঐনদি করম্না পীবা ঙমগনি... অদুবু ব্রাহং কয়ানা থল্লবা নাগী মীৎয়েংদুনা ঐঙোন্দা মূন্না য়েংদুনা লৈবদুদি পাউখুম অমা পাদ্রবদি মহাক তৃমিন্না লৈরোইদৌরি।

- পাবুংগী ফিদমদু লৈখা তারকপগী প্রমাণদি ঐ ইশামক অদোমগী মাঙদা লৈজরিবসিনি। মহাক্না লুহোংখিবগী শোক তারীখকী মতাঙদুমদি ঐহাক খঙজদ্রে। মদু খঙলুবগী হৌজিক ফাওবদি ঐঙোন্দা থোইনা কান্নবা লৈত্রি... অদোম্না পাম্বিরবদি ঐহাক ...। নুংগী ওইবা শাউনীংবদু ঐনা তিলগা লোয়ননা য়োৎশীল্লগা খরা তাখৎনা খুন্নম্মী ।

... য়াম্না নুংঙাইরিনে ইবুংঙোসে..। মহাক নোক্লকই... ওজা রামনারায়ণসু ক্লাসতা অঙাংশিংদা ফাগি য়াম্না তৌখিবনি... নঙসু মাগী মচানুপা নৎত্রদো !

মহাক্কী ব্রাঙাঙদুদা অরোইবগী ব্রাহে পরেংদু ব্রাহং ওইনা হংলিবরা নৎত্রগা ওজা রামনারায়ণগী মচা ওইবনা মপাগা মওং-মতৌ মান্নবগী মরমদা হংলিবরা ঐহাক জ্ঞান তাবা ঙন্নমদে। মহাক ঐগী পাউখুমগী অপাম্বসু থোইনা উদে। উপ্লম্বা আনোক্তু লৌথোক্লগা ফৈগন ময়াদা পাজমাদা তকপা হৌরকই।

হৌজিক্তি ঐগী চিঠিগী অশেংবা ব্রাফমদুদা লাক্লগনি হায়না ঐনা খল্লম্মী। খুরাতোম্না ব্রাফম খূদিংমক ময়েক শেংনা ইরকখ্রবনি। মদুদগী হেন্না ঐনা অমুক করি হায়রুগনি? বাখল লৈবা মীদি ইঙ্গিং খরা ফংবদা জ্ঞান তারদুনা থবক তৌনরিবনি, মতাঙসিদদি বারোল খূদিংমক চিঠিদা ময়েক শেংনা ইরকখ্রবনি। ঐহাক মানা করি হায়রকপগে হায়বদু খঙনীংনা মঙোন্দা য়েংলম্মী।

মহাক মীকূপ অমা অনীরোমদি ভূমিন্না আনোক্কী মিংশেলদু ফৈগন্দা তক্কনা লৈরম্মী অদুগা ইখঙ খঙহৌদনা ইমুংগী থোঙলোমদা চঙশিনখ্রে। খোঙথাঙ অহুম-মরিরোমদং থাংলগা লেপখিরম্মী অদুগা ঐঙোন্দা মমায় লৈশিল্লগা হায়রকই নঙ সুম ফম্মুকো ইবুংঙো... ঐহাক অচিনবা থবক অমা লৈরে... কোম্না অমুক ব্রারী শানসি...। অসি হায়রম্লগা মহাক চংখ্রে।

ঐহাক মাঙ্গোলদা থারিবা ফালশাংদুদা ফন্নম্মী। তিনগী উপু অমদি দরীনা য়োমশীল্লবা ঐগী বেদিংদু হৌজিকসু মখাগী সিরীদা লৈরি। ঐনা মদু মথক্তা পুখৎলে অদুগা মাঙ্গোলগী কাচিন অমদা থমজিল্লম্মী। চেকশীনবা ওইনা ঐনা উপুদু হাংদোক্লগা পোৎ-চৈশিংদু শুনা য়াওরিব্রা হায়না য়েংলম্মী, ফি মরক্তুদা ঐগী সার্তিফিকেতশিং হাপ্পা অমনবা ফাইলদু তাশীন্দুনা শোয়দ-ঙামদনা য়াওবদি য়াওরম্মী। শাংলবা রেলগাড়ীগী খোঙচৎসিদা পোৎ-চৈ অমাঙ-অতা য়াওদবসিদা ঐহাক নুংঙাইরম্মী। চৎলমদাইগী মতমদা পাবুংগা খুরাতোনগনা মসিগীদমক্তা ঐঙোন্দা হঞ্জিন-হঞ্জিন চেকশীন্নবা হায়রকখ্রবনি।

ফনা কুইনা ইমুংদগী কনামক্তা মপান্দা থোরক্তে। চহী মরি-মঙারোমগী নুপীমচা অমনা মীকুপ অমত্তং থোঙজীন্দা লেপ্পদু উরম্মী, অদুবু ঐনা মাবু ইনাক্তা লাক্লবা ইঙ্গিৎ তৌরুবদা মহাক মমায় লৈদুনা ইমুংদা চেনশীনখ্রে। ভূমিন্না সুম ইতোমতা ফম্বদুদা ঐহাক তহবা পোক্লকই। স্তেসন্দা ঐনা খজিক চরা ব্রালহৌবদুনা ফরম্বনি, নৎলমদ্রবদি খুরাতোনগী রাদুদা থাজদুনা অমদি মাগী চীং-লেম্বা অতিথি সেবাদু থাজরুদুনা করিমত্তা চাদনা লাক্লম্বা তারবদি হৌজিক ফাওবা চরা হেনবনা যাভম শোক্লমগনি। নুপাসিগী মরমদা পাবুংনা হায়রকপদু চুম্মা হায়না খল্লম্মী। খুরাতোন্না ঐবু নুপাসিগী মনাক্তা থানবা তোৎনবদা খান্নদুনা পাবুংনা হায়খি - হে জগদীশ, নঙনা অঙাংসিবু করম্বা মীওইগী মনাক্তা থাগে খল্লিবনো ? মহাক্তি তশেংনা ফোর ত্বেন্তিগী মীনি... মাগী অশেংবা লমচৎতুতি অয়াম্বনা খঙনদবনি !... পেরেলাইসিসনা নারবা মমা ফাওবা নুমিৎ নীনি শুনা মযূমদা লৈহনখিদবনি... ঐনা হায়রিবসি খঙলবরা মহাক থবক-ইনখাঙকা অমত্তা তৌদবনি, অরানবা থবক তৌদুনা শেল য়াম্না তানশিল্লবনি...। অদুবু খুরাতোন্নদি মাগী মরূপ্তু পৃকচেল চাউই হায়না থাজরম্মী অদুনা ঐবু মফমসিদা চৎনবা কন্না তকশীনবদগী তসেংনা ঐহাক উপায় লৈখিদে।

- অদুদি নহাক জগদীশকী ময়াম্বগী মচা ওইরে...। মহাক্কী খোঞ্জেলদু ঐগোন্দা কনাগুম্বা লাই অমনা আকাশতগী ঙাঙলকপগুম তারম্মী। হন্দকমৃক্তি মহাক ফৈজোম, ফৃরিৎ পূময়াৎ, ব্রেস্ত কোত অমসুং তুপী নীংথিনা উপ্লদুনা ঐগী মাঙদা লৈরিবা চৌক্রিদুদা লাক্লগা ফম্লরে।

- কলেজ তম্লিঙৈ মতমদা জগদীশ ঐগী লুনা তিন্নজবা মরূপনি। মহাক য়াম্না হরাও-তয়াম্বগী মওংদা হায়রকই - মতমদুদা ঐহাক শেন-থুমগী ফীবম য়াম্না ফৎলমদে... জগদীশনা কয়ারক হন্না ঐগী চাক্কী শেলসু পীখিবনি। তশেংনমক মাগী মপান্দগী ঐনা বি এ পাস তৌবা ঙমজখিবনি... মরূপ জগ্দীশকী তৌবিমলদু পুন্সি চূপ্পা কাউবা ঙম্লরোই...। মহাক ঙাইহাক্তংগী ওইনা তূমিন্না লৈখিরম্মী। মতাঙুদা মাগী মায়থোঙদু ঐহাক তশেংনা য়েংনীংলম্মী, তশেংনা ইচম চম্বা অমদি পূকচেল শেংবা ওইনা উরম্মী। মাগী মরমদা পাবুংনা খল্লিবদু য়ূম্ফম য়াওদবনি হায়না খল্লম্মী... অসিগুম্বা মীশকসিদি 'ফোর ভ্বেন্তি'দি ওইরোই অমদি অরানবা থবকসু তৌরমগদবা মান্দে। কনাগুম্বগী তৌবিমল কাউদবা মীদি অফবা মী ওইরমগনি, ফত্তবা মী ওইবা হৌনদে। ঐগীদমক্তা মফমসিদা থৌরাঙ অমা নৎত্রগা অমদি শোয়দনা তৌবিগনি হায়না ঐনা চেৎনা থাজরম্মী।

- শেলদি কয়াম পুরগা লাকই তূম্লম্বদগী হৌগৎলগা হকাম চনবগী মহুত্তা শেলগী ব্রাফম হৌদোরকপগুম মহাক্লা ব্রাফমদু পল্লকই।

ঐহাক তশেংনা মিপাইবা পোক্লম্মী। শেল পুরগা লাক্লগী চপ চাবা মরমদু ঐহাক খঙবা ঙম্লমদে। অমরোমদা লম্বীদা খরচ তৌখ্রবগী তূংদা ঐগোন্দা শেল খরদি লেমহৌরি, মদুসু খজিক্তনি... চাউবাক্লা লুপা কুপ্প্রা-নিমফুরোমতনি। খুরাতোন্নদি নহাক মফমদুদা থুংদ-থুংঙুচো, অদুগী মতুংদা নঙ করিমত্তা ব্রানীংঙাই লৈতে... রমন্না খূদিংমক ফনবা শীনগনি। থবক অমা ফংদ্রিফাওবদি মফমদুদা নুংঙাইনা চা থক্কুনা লৈথোকউ হায়রকই।

- য়েংঙোই ইবুংঙো, মতমসিদি কারবারগী যুগনিদো, কারবারদদি হান্না শেল থাদবা তাবনি, অদুগা করিনো খরা ফংগদৌরিবনি... থাযনগী মতমদো হৌজিক্তি নৎত্রে...।

অদুবু খুরাইবুংঙো ঐদি কারবার তৌবা লাকপা নৎচদে, থবক্কীদমক্তা অদোমগী নাক্তা লাকচবনি...। ঐনা মাগী অশোয়বদু চুমথোক্নবা মবক থৎনা ব্রাফমদু শেংদোক্লম্মী।

- হোয়নে... হোয়নে, ঐ খঙঙি নহাক থবক্কীদমক্তা লাকপনি... অদুবু মসিদা খেন্নবা করিসু লৈতে। হৌজিক্কী মতমসিদা থবক হাপ্পা অমদি থবক তৌবা হায়বসিসু কারবার মখল অমনি। মমাংঙৈদদি থবক তৌগদৌবিবা মীদু শূপ্নতগী মহৈ হৈবা দরকার ওইরম্মী অদুবু ঙসিদি মহৈ হৈবগী দবকার থোইনা লৈত্রে, ... মরম অসিনা লন-থুমগী ওইবা বাফম.... লুপাগী শেনফম অমা পীবা তাবনি। খঙলব্রা...? করি খঙলবগে...?

মাগী মমীৎতুনা ঐগী মায়দা চুমদ্রিং হূৎতুনা য়েংলকই।

ঐনা মাগী ব্রাদু খংনা ঙম্লম্মী, অদুবু খঙজিন্নদবা শাদুনা লৈবনা কে হায়না খল্লম্মী। তৃন্মিন্না ফমদুনা লৈরম্মী।

নহাক য়ূমদগী পৈশা পুরগা লাক্লম্মোই হায়বসি ঐ খঙঙি, অদুবু নঙনা চিঠি ইরগা য়ূমদগী পৈশা কৌবা য়ারোইদরা ...?

কয়া য়াম্না শেলনো...? ঐহাক ব্রাদু খুন্না তারম্মী। চিঠি নৎত্রগা তেলিগ্রাম থারবসু য়ূমদগী শেল থারক্লোই হায়বসি ঐহাক খঙঙি। য়ূমদা শেল লৈত্রগবু কদায়দগী থারক্কদৌরিবনো ? মফমসিদা লাকপগী খরচসু পাবুংনা মীঙোন্দগী পুরগা পীরকপনি।

- চাউরাক্লা লীশীং মরি-মঙারোম লৈরবদি থবক অমদি ফংবা য়াই। লুপা লীশীং মরি-মঙা হায়বসি করিসু লৈতবা শেলফমদৌনা মহাক্লা য়াম্না থৌশাদনা হায়রকই।

ঐহাক ঙকপনা য়া কাদুনা লৈবসু য়ারম্বনি, অদুবু মদুম্মদি তৌরমদে। বি এ পাস তৌরবা মতুংদা হৌখিবা চহী মরিগী মমাঙদগী থবক তৌনবা কোয়চেন চেনবদগী থবক্কী মমল ঐহাক হায়না খঙখ্রবনি। পোৎকী মমল ঐহাক হান্ননা খঙখ্রবনি। পোৎকী মমল হেনগৎলকপগুম্না থবক্কী মমলসু চহী খূদিংগী হেনগৎলিবনি। থবক অমগীদমক্তা চহী অহুম মমাঙদা নুপা অমনা লুপা লীশীং অনী পীয়ু হায়খিবনি, হৌখিবা চহীদদি থবক্তুগীদমক্তা লুপা লীশীং মরি য়ৌখ্রে, অদুগা হৌজিক্তি মহাশয়দুনা লুপা লীশীং মঙা পীয়ু হায়রে।

--নঙদি কবিমত্তা খুমদে... । ঐনা ত্নমগ্না ফম্বদু উবদা ঐঙোন্দা কাইহৌবকই ।

... অদুবু খুবাতোন্নদি অদোমগা খঙন-চান্নবা অচৌ অশাং মীওই কযামকম লৈ হার্যখি । ... অসুক যাম্না শেনফমদুদি ঐদি... । লৈ লোর্মশিল্লকপদগী লৎ-লৎ তৌদুনা ঐগী ৱাদু মপূং ফাবমদে ।

মহাক নোক্লকই । যাম্না হৌনা নোক্লম্মী অদুগা চৌক্রিদগী হৌগৎলকই... ফবে... ফবে, নঙদি জগদীশকী ময়াম্বগী মচানি, অদুনা ঐনা উপায় অমদি থিবা তাবনি... । অদুগা মহাক সিরীদগী কুমথবগা কদাযদনোমা চৎখ্রে ।

ঐহাক অপঙদৌনা তুমিন্না ফমদুনা লৈবে । মসি নত্তনা ঐ উপাযসু লৈবমদে । ঐঙোন্দদি শহব অসি ইনৌ নৌবা অমদি কবিমত্তা খঙদবা হাযবদু ওইবে । মফমদুদা ঐনা কন্নাসু খঙনবমদে । শেল খজিক্তং লৈজবদুনা হোতেলগী কা অমা ৱায়বগা লৈবা অদুগা চান-থক্লবা থৌবাঙ তৌবসু অপঙর্বনি খল্লম্মী । ঐহাক ফমদুনা অসুম্ ৱাখল তৌদুনা লৈবম্মী । ঐনা খাল্লি, ঐসে শাখিনা উপায লৈত্রবা হাযবদু ওইবেদো... ঐসে লাংদা থুবগা মান্নববনি... অদুগা লাংসিবু থদৎলগা নাম্বোকপসু যাম্না লুবি ।

ঙাইহাক লৈবগা অনাবা মানবা নুপামচা অমনা চা গ্লাস অমা পুবগা ইমুংলোমদগী থোবকই । মতমদুদা ঐহাক ইশাগী ফীবম চেৎননবা খনবদা উইনীংবা পোক্লক্লর্বান ।

--চাসে লৌবীয়ু । ফালদা চাগী গ্লাসতু থল্লগা ঐঙোন্দা মুন্না য়েংলম্মী । চাদু হন্দোকখ্রসিরা হায়না খল্লম্মী । অদুবু করম্বা নুংগী ওইবা ৱাখল্লোন্নো খঙদে ঐগী খুৎতু মতোমতা তিংথোরকই ।

ঐনা চাদু খরা খরা চিংলগা তপ্পা তপ্পা থক্লম্মী । মতমদুদা নুপামচাদুনা ঐঙোন্দা মুন্না চাগদবগুম য়েংদুনা লৈ, করিগুম্বা চাদু থকপদা খরগা অমুক মতম চঙবা তারবদি মানা ঐগী খুৎতগী চাগী পাত্রদু মুল্লগা চৎখিগদবগুম তৌরম্মী ।

-- নখোয়গী সাহেবতুবু ওফিসতগী করম্বা মতমদা হল্লকপগে ? অহাঙবা পাত্রদু মঙোন্দা লানশিল্লদুনা ঐনা হংলম্মী ।

-- করম্বা ওফিসনো... ? মহাক ঙক্লা ঐঙোন্দা য়েংদুনা লৈ ।

মহাক্না খবক তৌরিবা অমদি নুমিৎ খুদিংগী চৎপা মফমদো... । মহাক্কী করম্বা ওফিসনো হায়বসিগী অশেংবা পাউখুমদু করি ওইগনি তশেংনমক ঐহাক ইতোমতা লেপচবা ঙম্লমদে ।

-- চৎতেদা, মাদি নুংতিগী কবিসু চৎতে... মরক- মরক্তা চৎপনি... অতৈদি ঐ খঙদে... । মহাক চাগী পাত্রদু পুরগা ইমুংদা প্রপ-প্রপ চঙখ্রে ।

পুং অমা নৎত্রগা অমা মখায়রোমগী মতুংদা মহাক (রমন) য়ুমদা হল্লক্লম্মী । সিরীদু কাখৎলগা অহানবদা মহাক ইমুংলোমদা চঙগে তৌরম্মী, অদুবু করি খল্লুরবনো খঙদে অমুক হল্লক্লম্মী ।

-- এঃ নঙবু চাক-ঈশিংগা চারব্রা নৎত্রগা সুম ফমদুনা লৈরবা জাৎলা...?

মহাক্না খজিক্কং নোক্লগা হায়রকই, ইবুংঙো, নংঙদি য়ুর্মাসগী মী ওইরবনি... অসুম তৌনা অতিথিদৌনা করিগী ইকায়রিবনো... মরূপ জগদীশকী ময়াম্বগী মচাদি ঐগীসু ইচাগুম্বনি... নৎত্রনে ঐহাক মাগী মতুংদা ইন্নরম্মী । চাক্তি হান্না লোয়থোকখ্রবনি । অরোনবা ৱাফমদু ঐদি মাগী নুপীগী ৱাঙাঙদগী হান্ননা খঙখ্রবনি । তশেংবমক্তি মহাক্না

ব্রাফর্মসি মপুরোইবা তাননবা চাকশঙগী থোঙদগী তপ্পা হায়খিবনি, অদুবু মাগী অনীংবদু ঐঙোন্দস্ তাহনবা পাম্বনি হায়না খল্লম্মী ।

নুমিৎতুগী নুংথিল পুং অহুমলোম তাবদা ঐহাক অহোঙবা হোতেল অমদা চাক চাবম্মী । হল্লকপা মতমদদি মাঙ্গোলগী কাচিন অমদা লৈবা অপীকপা কা অমদা ঐগী পোৎচৈশিংদু থম্লম্মী ।

পোৎ-চৈ থম্নবা কাদুদা ঐবু লৈহন্নবগীদমক য়ুমগী পোৎ-চৈ অতেক-অকায়শিংদু লৌথোক্লগা শংদোকখিবনি হায়বসি মখোয়গী মীনায়দুদগী খঙলম্মী । মদুদা লৈবা অমনবা কাংথোল অমদা ঐনা বেদিংদু তিংথোক্লম্মী ।

মখোয়গী য়ুমগী মীশক অমগুম ঐহাক থা নিপাল চুপ্পা কাদুদা লৈবম্মী । অহানবা নুমিৎতা ঐবু করি খনবদগী য়ুমগী মী হায়খিবনো খঙদ্রে । অওইবমক তপ্পা তপ্পা মানা ঐবু য়ুমগী মী ওইনা থাম্বরে । ঐহাক লাক্লবা মতুং নুমিৎ হুম্নি শুবদা অনাবা মানবা নুপামচাদু কদায়দা চৎখ্রবনো খঙদে । ইনশাং-নাপী লৈরুনবা মাগী নুপীনা ঐঙোন্দা হায়বকই - বামভজন্দু মতম খরগী ওইনা মমা-মপা উনবা মখুন্দা চৎখ্রে... থুনা হল্লকপা যাই অদু ফাওবদি বাজারগী থবক খরা মতেঙ পাংবিয়ু... । অদুবু রামভজনদি অমুক হল্লকখিদ্রে ।

য়ুমসিগী মাঙদা ঐগী দাযত্বসু লোংনম লোংমগী তপ্পা তপ্পা অসুম হেনগৎলকই । অতা তক্লবা, বাজারদগী নুংতিগী শীজিন্নবা পোৎ চৈ লৈরুবা, অচৌবা অঙাং অনীদুবু স্কুলদা থিনবা অদুগা অমুক লৌকবা অমদি খোম-থাক্লিবা অঙাং মচাদুবু শেন্নবা - ঐগী নুংতিগী তৌগদবা থবক হাযবদু ওইবম্মী । ঐহাক য়াওদনা অঙাংসিংদু হোম ব্রার্ক ফজনা তৌরমদে । ইন্দোমচাদু কোক চীকপগী অরিবা লায়না অমা লৈরম্মী অদুগা মাগী লায়নাদু কোয়লাগী মৈখুদুনা হেন্না পক্লরমদে । হৌরকপদদি নুমিৎ খবনিদি ব্রাববসু ব্রানা চাকখুমগী থবক-ইনখাঙ তৌবম্মী, থা অমা হৌখিবদগীদি কোযলাগী মৈখু খাঙবদু মহাক ঙল্লমক্রে । মদুগী থবক্রুসু ঐনা তৌবা তাবে ।

খুরাইবুংঙোনা য়াম্না হৈ-শিংনা ঐঙোন্দা দায়ত্ন লৈবা থবক শিন্নরম্মী অদুগা ঐগী ইথৌ মশক খঙবা অমদি হোৎনবা কনাবদদা থাগৎপিবসু নোংমভা কাউবা তৌরমদে। অযাম্বনা নুমিৎ হুম্ন মবানিগী মনুংদা মহাক্না ঐগী থবক্কীদমক্তা মফম অমুদা ৱা লেপ্নরুবগী নুংঙাইবা পাউ তম্মী, অদুগা অমুক মরক্তা অয়েৎপা অমা লাকপদগী থবক্তু শোইবগী অৱাবা পাউসু তম্লম্মী।

ঐহাক লাক্লবা মতুং থা অমা মখায়গী মতুংদা মহাক্না মরূপ অমগী মতেঙদগী লনাই দুকান অমদা কেরানী ওইনবা ৱারী তৌনরম্মী। মহাক্না পাউ তম্বগী মতুং ইন্না ৱাফমদু তশেংনা লেপ্নরে, অদুগা থবক্তুগীদমক্তা ঐ নত্তনা অতোপ্পা মীশক অমা লৌররোই হায়নসু ভাজ্ঞনরে। অদুবু মমৈদদি থবক্তুগা ওইনা লুপা লীশীং অনী পীয়ু হায়রক্লে।

মহাক্না হায়রম্মী - য়েংঙুনে ইবুংঙো, দুকান্দুগী মেনেজরদু মতোং মরম খঙবা জাৎ নত্তে। থবক্তুগীদমক্তা লুপা লীশীং মরি-মঙা সাওব পীগে হায়বা মীসু লৈরে হায়বা খঙলে। মেনেজরদুদা লুপা লীশীং অনী পীদুনা য়াহনগে হায়না ঐগী মরূপ্নদি হায়রি। নঙনা করিগুম্বা যুমদগী চিঠি ইদুনা হায়রিবা শেনফমদু কৌবা ওল্লবদি থবক্তু ওইবা য়াই।

মতমদুগী কীবমদু য়েংলুবগা ঐহাক শেলদু পঙয়াম য়াম্বা নত্তে হায়না খল্লম্মী। ঐনা থৌনা অমা লাক্লদুনা পাবুংদা লুপা লীশীং অনী উপায় অমা তৌদুনা থুনমক থারক্লবা চিঠি ইখিরম্মী। ঐহাক কযাদি থাজরমদে, অদুবু পাবুংনা কদায়দগীনোমা থৌরাঙ তৌদুনা শেনফমদু থাবক্লম্মী। য়ুমদু কনাগুম্বদা বন্ধপ থন্বা ওইরম্বসু য়াই। অমবু ওইরবসু অমসু ওইরবসু শেনফমদু ফংবদা ঐহাক য়াম্না নুংঙাইবম্মী। তৌর্জাক্কি থবক ফংবদা অয়েৎপা অমত্তা লৈররোই হায়না খল্লকই। থবক হেক ফংবগা অহানবা ওইনা ঐগী তৌগদবা ইথৌদি কা অমা ভারা লৌরগা নুমিৎতুদগী মফমসি থাদোক্লগা চৎখ্রগে হায়না থম্মোয়নুংদা চপ যুংনা লেপ্লম্মী।

শেনফমদু ঐনা মঙোন্দা পীরম্মী অদুবু থবক্তি ফংলমদে। মহাক্না হায়রকই - মীফত্ত মেনেজরদুনা অতোপ্পা মীশক অমদগী লুপা লীশীং মঙা লৌরগা মহাকপু থবক হাপখ্রে।

ফরেদা... নঙ করিমত্তা চিংনগনু, ঐনা কদায়দনো মফম অমদা শোয়দনা থৌরাঙ তৌগনি। নুংঙাইনা লৈথোকউ... নয়ুমদা লৈবগুম্বনি... ঈশিংদা লৈদুনা চোৎপমক্তি নত্তেদনা...।

অচুম্বনি, ঐহাক ঈশিংদা চোৎপমক্তি নত্তে, অদুবু ঐগী হৌজিক ওইরিবা ফীবমসি খল্লুরগা ঈরাক্লদুনা শিজনবা ঈশিং খুয়া অমত্তা ওইরবসু তশেংনা থিবা হৌরবনি। হৌজিক্তি ইন্দোমচানা করি-করিগুম্বদা অঙাংগী ফুরিৎ-খোঙ্গ্রাও নৎত্রগা খুরাগী মোজাফুরিৎ শাপোননা হাইরপ নোইরগা শুমদোক্লবগী থবকসু ঐঙোন্দা শিন্নরক্লে। মাগী পেতিকোট অমদি সাড়ীশিংদু শুনবদি হায়রক্ত্রি মসিমদি লাইবক ফবনি, অদবু মদুসু য়াম্না থুনা হায়রক্লগনি খল্লি।

অসুক কুইনা য়ুমসিগী মী ওইদুনা লৈরক্লবসু খুরাসি করি থবক তৌবগে হায়বদু ঐহাক খঙলমদে মসিসু অঙকপা অমনি।। করম্না য়ুমসিগী খরচ তৌরিবা জাৎনো... শেন্থোক লাক্লবা লম্বীনা করিনো... ? মহাক্তি অয়াম্বা মতমদা নুমিৎ চুপ্পা য়ুমদা লৈ নৎত্রগা পুং অমা-অনীরোমদি মপান্দা চৎলুই -- অদুগা অমুক থুনা হল্লকই। করিগুম্বদা ফাইল নৎত্রগা চে-চাং পুথোক-পুশিন তৌবসু উদে। অদুগা হোয়, নুমিদাং পুং তরেৎতগী নিপাল ফাওবগী মনুংদা অচৌবা বেগ অমা পায়রগা থোকখি অদুগা অহীং পুং তরামখায়-তরামাথোইরোম তাবদা অমুক হল্লকুপদনা ইহাঙ হাঙঙি। করি-করিগুম্বদা মাবু উনবা মী মরি-মঙা য়ুমদা লাকপসু য়াওই। মখোয় ময়াম কা অমদা ফল্লগা লোন্না-লোন্না ৱারী শান্নে নৎত্রগা য়ু থকই অদুগা জ্বারসু শান্নে। লাক্লিবশিংদুগী মনুংদা মশক খঙবসু য়াওরক্লে। ... মখোয় ময়ামদুতা ওইনা অয়াম্বা মতমদা লাকই অদুগা মখোয়গী মরক্তা অনৌবা মীওইসু য়াওরকই। ইমুংগী খরচসু ফজনা চলাইরম্মী অদুগা খুদিংমক য়াম্না নুংঙাইনা লেল্লম্মী।

মবকসিদা ঐগী পাবুংগী চিঠি কযাবক লাকখ্রে । থবক ফংলব্রা ফংদ্রিবা হাযনা হংলকই -- ফংলবোইদবা মমি লৈববদি শেনশিংদু পুবগা থুনমক হল্লক্লো... অবেম্বদা শেন্দোয পুদুনা লৈবে... মফমসিদা থবক মচা অমা হেক্তা তৌববো অসিনচিংবা... ।

ঐনা পাবুংগী চিঠিদু মঙোন্দা উৎপদা মহাক্না নোক্লদুনা হাযবকই অদুক [illegible]। থবায বাকদুনা কবিস্ ক[illegible] ইবুংঙো [illegible] হৌজিক্কী ম তমসিদদি নুপী ফংবদি যাম্না [illegible] অদুবু থবক ফংবাদ যাম্না লুবা[illegible] [illegible]না পাম্লবদি নঙগী নুপী অমা কদাযদনীনো থিবিগে. . । অদুগা মশাগী ফাগিদুদা মতোমতা হৌনা নোক্লম্মী । মহাক্না নোক্লিমখে ঐগী মাযথোঙদদি নীংবা কাযবগী মমিদু অসুম তাবা হেল্লকই । অদুগা মানা ঐঙোন্দা থেমজিল্লকই ... নহাক কবিমঙো নীংবা কাযগনু - নোংমদি থবক শোযদনা ফংগনি. . ফংদ্রবসু ঐনা কাববাব অমদি তৌহনগনি । সিদা লৈবা হৈনদ্রবসু মতম খবা নযুমদা লৈকচো... নথ্নায নুংঙাইতবদু ফবনি ।

থা নিপাল হৌখ্রবা মতুংগী মদা ঐহাক তপথবা ঙল্লক্লে । [illegible]সিদা থবক ঊনখাঙ শবস্ নোংম নোংমগী [illegible]নগৎলক্লে অদুগা ঐগী [illegible] যুমনা মীনা[illegible] অমগা [illegible] [illegible]বক্লে ।পাবুংগী চিঠিগী মঙোনস্ নোংম নোংমগী অসুম অসুম অদনবা না মাওবক্লে ।

অদুগা [illegible] ইকাযবপ [illegible] মঙোন্দা তাযবর্মী . "মফমসিদ থবক [illegible] ওইগদবা [illegible]. . [illegible] হনখিবনা ফং[illegible] । [illegible]ববাদ শেন[illegible] [illegible] হুহেংমক... ।"


মহাক [illegible] মতুং বাখল [illegible] মাগা মাযথোঙদু [illegible] । [illegible] তৈতবা [illegible] হাযবকই "[illegible] থা নিপাল [illegible] । [illegible]লেবা ঐগী [illegible] লুপা চনা [illegible] । [illegible]

ব্রেকফাস্তনচিংবগী চঙলমগনি । ... অদুগা শহবসিগী হিসাবতা পাব কাগী ভাবাসু লুপা ১০০ দগী তাবোই । নঙদি জগদীশকী মযাম্ব মচানি, অদগা জগদীশনা ঐগীদমক যাম্না মতেঙ পাংবখি, হীবমসি যেংলুববাদ ঐনা কবিমত্তা ভাবাগী শেল ককপা পামদে । ... অদ ইবুংঙো, শহবগী ফীবমসি নঙনা খঙলিবদুনি ... অদুগা অসুক পে তাঙখ্রবা মতমসিদা... ।”

ঐদি চঙক্রদুনা লৈরম্মী... হায়ফম তৌফম খঙলমদে । নং তানা বা ঙাঙনবগী তাঞ্জাদু পীরমদে । হোয়, নুমিৎতুগী নুমিদাংব্রাইবম যুমদা হল্লকপগী রেলগাড়ী ভাবাগীদমক্তা শেল খরা পীদুনা মিনুংশিদু তশেংনা উৎপিখি । চৎলমদাইগী মতমদা লুপা মঙা চৎপী নোত অং ঐঙোন্দা পীবগা যাম্না নুংশিবা খোঞ্জেলদা হায়রম্মী - মসি পায়শিল্ল লম্বীদা করি-কবিনো লৈরগা চাবো... । ইবুংঙো, ঐদি হেক ঙমজবমই মীগী মতেঙ পাংবনা ঐগী হৈনবীনি... অদুগা নঙদি ঐখোয় ইমুংগ মীগুম্বনি । নঙগীদমক্তা ঐনা কবি তৌদবা যাওখ্রবগে, অদুবু নবাযব হ তল্লমদ্রবনিনা কবিদি উপায় লৈরি... । অদুগা অমনা, মকপ জগদীশং তম্মু । ঐনা মাবু হৌজিকসু তশেংনা নীংশিংলিবান হায়না ... । ঐ অদোম্বু পুক্সি চুপ্পা কাউজরোই, খুরাইবুংঙো... ঐগী বেদিং অমাদ উপু থাঙ্গৎলদুনা ঐনা হায়বম্মী অদুগা সিড়াদগী মখাদা কুমথবকই ।

* * * * * * * * *

লোইরবা



BIO-DATA

Full Name	·	**Sougaijam Nabachandra Singh**
Father's Name	·	(L) S Mema Singh
Mother's Name	.	(L) S Thotnumacha Devi
Address	·	Lamboikhongnangkhong
District	.	Imphal West
P.O/P S.		Lamphelpat - 795 004
Date of birth		1st March 1959
Educational Qualifications		
(i) General	-	M A Hindi Nishnat (M Ed)
(ii) Hindi	-	Rashtra Bhasha Ratna
(iii) Sanskrit	-	Prak Shashtri
Name of College		H T T College, Imphal
Designation		Lecturer in Hindi

অনুবাদক্কী থোকখিবা লাইরিকশিং :

(১) রামকুমার বর্মাগী 'বৎসনিংথৌ উদয়ন'

(২) লক্ষ্মীনারায়ণ মিশ্রগী 'সিন্দূরগী হোলী'

(৩) 'রামকুমার বর্মাগী একাঙ্কী শর:'